
লক্ষ্মী চৎপা



—: হাইহে খরদং :—

কণ্ডাওনরে লম্মুক্লরে "লম্বীচংপা"
পন্থুংফম খংদহুনা পুন্সিসিদ।
চংপদা শদোখোংলব মহাকনা
লাক্লি সাহিত্যগী লৈকোল তম্ন।
কখোকচরগে মপুন্সি খল্লহুনা
মৈতৈসাহিত্য লৈকোলগী সেবাদ।
"লম্বীচংপা" বু মতিক চাদে খল্লবস্থ
মফম মচেং অমতং পিনবীয়ু।
পেনজবা পোকনি খম্মোইদা মহাক্‌
মপোক মহৈ য়াল্লে খন্দুনা।


মোনজরিবা

—লাইরিক লেংবা

ইম্ফাল
ডিসেম্বর ২৪, ১৯৮৩

অহানবা কোংবা ১৯৮৩

কোংজবা :— অইবা



মখুনগী লাই :—

শ্রীআর, কে, বীরেন্দ্র কুমার

অক্ষম :— রেদা প্রেস. কৈশামথোং

(লাইরিক অসি কোংবদা মনিপুর স্টেট কলা একাডেমীনা শেলগী মতেং পিবীখি)

—ঃ য়াওরিবা নাটক অনি ঃ—

“লক্ষীচন্দ্রপা”

“কঞ্জোকপা”

(নাটক অনিমক আকাশবানি ইম্ফালনা পুথোকখ্রবানি)

—ঃ "লম্বী চৎপ" গী চরিত্রশিং ঃ—

নিপা —

রনজিৎ	...	ইশৈ-মুংমাই পামজবা খুঙ্গংগী মীওই
শরৎ	...	ডাক্তর ; আই স্পেসিয়েলিষ্ট
সুরেন্দ্র	...	মশক নাইরবা ইশৈগী ওঝা
গৌর	...	নবসঙ্গীৎ মন্দোলগী চমপ্রাসি
গৌতম	...	” ” মেনেজর
ইন্দ্রমনি	...	ব্যারিস্টার
চন্দ্রহাস	...	খুঙ্গংগী মীওই

নিপী —

মধুমতি	...	খুঙ্গংগী নিপীমচা মামিং তাংবী
তিলোত্তমা	...	ইন্দ্রমনিগী মচানিপা
মাধবী	...	শরৎকী মমা

—ঃ "কথোকপা" গী চরিত্রশিং ঃ—

নিপা —

রমেস	...	ডাক্তর
কাহ্নাই	...	নেশাচাব মীওই
তোনাল	...	” ”
গোপাল	...	রমেসকী মীনাই
গোবিন	...	বিনাগী মচানিপা

নিপী —

বিনা	...	লুখ্রাবী মোনহা
কল্যানি	...	মতমগী ইমাংচেনবী মোনহা

-ঃ লক্ষ্মী চংপা ঃ-

সুরেন্দ্রগী য়ুমগী মাঙ্গোল

[মন্ত্রী পুখ্রিং হুনা মুংশিরবা সুরনা জিলাগী শৈহেং-ইশৈ ওইরি — শৈহৌ ইশৈ লোইরকপগী লোইমনা সুরেন্দ্রনা লাইশোল্ ইশৈ শরুকই]

ইশৈ :— [সুরেন্দ্রগী]

অসিবা তাইবং, অসিবা পুন্সি
পুন্সি মেলা লোইরে হল্লাশি।

কৌরে ঐবু মতম্না তেংইনা
মতম ওইরে লাক্লো হায়না।

চংপা তারে থবাই ঐদি
লৈহৌবা তারে হকচাং নঙদি।

চৎলিবনি ঐসু নিংতম-নিংতদা
নক্লক্লী কাযনা মৈচাক পুত্না।

শিবা নাইদে থবাই চেক্লাদি
হকচাং পোলাং অনৌবা হোংবনি।

তাইরম্মু ঐবু মপোক অমদা
হল্লক্নি নোংমদি তাইবংদ শোইদনা।

[সুরেন্দ্রগী ঈশৈ লোইরকপদা তিলোত্তমানা খুরুমদা লোইননা]

তিলোত্তমা :— খুরুমজরি ওঝাবু — ।

সুরেন্দ্র :— তিলোত্তমা লাকইবরা - ? ফম্মু ফম্মু মোরাতুদা।

তিলোত্তমা :— কনি — ।

সুরেন্দ্র :— নঙনা লাকপাবু করিগীনো — ?

তিলোত্তমা :— ওঝাবু, ঐখোইগী কলেজগী ফ্রেসেস´-মীট সুমিত্তা ওঝাখোয়গী নবসঙ্গীত মণ্ডলগী ঈশৈগী প্রোগ্রাম অমা থমশি হায়না লেপ্লজরে ।

সুরেন্দ্র :— হা — ?

তিলোত্তমা :— হাকুমসু ওঝাখোয়গী ঈশৈ থমজখিবতুনি ।

সুরেন্দ্র :— (নোক্কুনা) হা....হা ..হা... নঙনা ঈশৈ নোংনাই পাম্বতুদা নঙগী থোইদ্ধিন্দগী ... ... ।

তিলোত্তমা :— ইতোমতগী অপাম্বা বংতে — ওঝাখোয়গী ঈশৈ প্রোগ্রাম থম্বা হায়বসি ময়ামগী বারেপনি— ।

সুরেন্দ্র :— (নোক্কুনা) হোয়দা হোয়দা — । নখোয়গী ফ্রেসেস´-মীট কৈদোঙৈনো ?

তিলোত্তমা :— চংলিবা থা´সিগী তাং তরাথঙা দনি — । লোইবিবা য়াম্রে ওঝা— ।

সুরেন্দ্র :— য়ারে য়ারে — ।

গৌর :— (থর লাপ্তুকপদগী) লাও-লাও চংলকউ লাও ইবুংঙো।

সুরেন্দ্র :— গৌর লাকইবরা — ?

গৌর :— ওঝাবু — । ইবুঙো, ওঝা খুরুম্মু ।৷

রনজিৎ :— ওঝাবু খুকমজরি — ।

সুরেন্দ্র :— ইবুঙো — । তিল, নঙ অমুক্তা কৌখো — ।

তিলোত্তমা :— ফনি ওঝাবু — ।

সুরেন্দ্র :— গৌর, নঙনা লাকপবু করিগীনো ? ।

গৌর :— ওঝাবু, হংচিং অসি ঈশৈগী প্রোগ্রাম অমা লৈরে অদুগী মেনেজরনা ওঝাদ পাও খঙহন্নু হায়দুনা ঐ লাকচবনি — ।

সুরেন্দ্র :— হংচিং — !

গৌর :— হোই । অদুগা ওঝাবু রা অমত্তংগা ....।

সুরেন্দ্র :— হায়যু, করিনো — ?

গৌর :— ঐগা লাকমীন্নরিবা ননাই ইনাও অসি ঈশৈ সুংমাইবু পামজবা মীশক অমনি — ।

সুরেন্দ্র :— ইবুঙোসিবু — ?

গৌর :— হোই । মহাক্না লাকচরিবসি ওঝাদ ঈশৈ-সুংমাই তমজনিংদুনা ... . ।

সুরেন্দ্র :— ঈশৈ তমগে হায়বা — ?

গৌর :— হোই ।

সুরেন্দ্র :— ইবুঙো নঙদি হান্না ওঝাগা নাইদুনা ঈশৈ সুংমাই থম্ব তম্লরুবরা ? নত্রগা ইনৌ মৌনা ... ... ।

রনজিৎ :— ওঝাবু, এদি ওঝাগা নাইদুনা তমজরকপা নত্তে । ইথ্‌ায়না পামজদুনা পংশক শকপা পংঙং ঙংজবনি ।

সুরেন্দ্র :— নঙদি যন্ত্রকাদি পায়বা ঙম্লবরা, সা-রি-গ-মা কাদি খঙলবরা — ?

রনজিং :— ওঝাবু সা - রি - গ - মা গী জ্ঞানদি খরা লৈজরে।
হারমোনিয়মস্থ খর খর পাররা ওমজরে —

গৌর :— ওঝাবু, ইবুঙোসিনা শকপা ঈশৈ এ তাজরে — মখোল মরা ওস্থোক্লা নুংশিখরে ।

সুরেন্দ্র :— ইবুঙো, নংগী নমিং করি কৌই ?

রনজিং :— রনজিং কৌজে ।

সুরেন্দ্র :— নয়ুমদি কদায়দনো ?

রনজিং :— ওঝাবু এ অস্বাইদগী নচ্চদে, আ — খুঙ্গংদগীনি ।

সুরেন্দ্র :— খুঙ্গংদগী ! লাইরিক - লাইশুদি — ?

রনজিং :— এ মেত্রিক পাস তৌরগা নখা তমথবা ওমজহে ত্রে।

সুরেন্দ্র :— করিগী ?

রনজিং :— ঐনা মীরোল খণ্ডকপদা ইপা-ইমাস্থ তাইবংপালশিদা লৈরমদরে —। ইমাগা পোকমিন্নবা মাম অমগী মকুম খুপ্তুনা ঐ অসি মী ওইজরকপনি—। অদুবু লাইবক-থিবদি লোমীগী পুন্সি ওইনা মামদুগী অপাঙ্গা মতুংইন্না লৌ-শিংগী থবক হোংনবদা ঐ লাইরিক তম্বা তোকপা তাখিরম্মী ।

সুরেন্দ্র :— ঈশৈ - নোংমাইগী লম্বীদা খোঙ থাংজিনগে নিঙলক-পসিদ নখোংগী মাননদি য়ারবরা ?

রনজিং :— মহুগী খোইনা হংনিঙাই লৈত্রে ।

সুরেন্দ্র :— করি হায়বা !

রনজিং :— অচুম্বনি ওঝাবু —। ইশৈ - নোংমাই অমদি কলাদা পুক্লিং নুপচবা — পামজবা মীশক অমা ওইরুবনা মাগা

ঐগা বাখল অমদি পুক্লিং তিম্নরক্তবনা — ঐগী পামজবা লম্বীগী পম্তুংক্ষম তাল্লগে হায়বগী বাখলনা অরেপ্পা ফিরেপ লৌজহুনা — মামগী মনাক্তগী লাকচররবনি।

স্বরেন্দ্র :— অহুদা ••• •• ।

গৌর :— ওঝাবু, ইনাওসিগী মপুক্লিং ঐ চপচানা খঙজররবনি। মাগী বাখলদি ওঝাগী যুম্মদা লৈন্তুনা। ঈশৈ - মুংমাই তম্না তম্না ইমুংগী থবক-ইশ্বাং নোমরহুনা—ওঝাগী সেবা তৌজহুনা গুরু-শিষ্যগী ভক্তি থমজগে অসিনি—। মহাক্তি মাগী মামগী মনাক্তা অমুক হন্না মাই ওল্ল-রোঃদবা ইনাওনি।

রনজিৎ :— ওঝানা নুংশিবীহুনা ননাই ঐগী পামজবা লম্বীসিদ অমুক্তাদি চিংশিনবীয়ু। হায়নরি — গুরু হায়বা, ওঝা হায়বসিদি ইপা-ইমানি —। অহু ওইরবদি ননাইগী মপোক অসে মহে য়াল্লে হ য়না লৌজগনি।

গৌর :— ওঝাবু, ননাইসিগী মখোল-মবা য়েংবিয়ু। রনজিৎ, বঙ ওঝাগী মাঙদ ঈশৈ অমহুং শকউ তাশিদনা।

স্বরেন্দ্র :— শকউ শকউ, তাগে।

রনজিৎ :— ওঝাবু খোগল ফংজবা য়াবা জুগোৎচাব ইশৈবু ফাজদেনা

গৌর :— অফাবা অমা হেক্তা শকউবা রনজিৎ।

স্বরেন্দ্র :— অমা হেক্তা শকউনে। — তিলো, ঈশৈ তাখিসি।

তিলোত্তমা :— ফনি ওঝাবু ননাই ঐনা ইজবা ঈশৈ মরেক অমা হেক্তা •••।

ঈশৈ - (রনজিংকী)

করিগী তুমদ্রিবা কনাগী রাখলদা
অহিংগী মতমদি হৌজিকস্থু রাংলি
থাজবু উরগা থরোবু য়েংলগা
কনাগী শক্তমবু থম্মোইদা তারিবা।

উরগা কেনবা থাজ থরোগী
করিগী থম্মোয়দা মীঙৌবা পোক্লি
মল্ল - শেগাইর লাইর খাংপোক'নুংদা
মেংল থাবল মণ্ডালবু চঙদবরা।

থাজ মাবু কাইননি খল্লুবদা
মীপাইচাওবী থাবল্লেনা কপচবা
কনানা তাবিবা কনানা খঙবিবা
হাংলবা মালংদ তিনখিনি অরেম্বদা।

সুরেন্দ্র :— বা ! বা !
তিলোত্তমা :— তাবিরিবরা — ? অদোমবু তাবিরিবরা — ?
রনজিং :— ঐবু ওইরবরা — ?.
তিলোত্তমা :— হোই — ।
রনজিং :— তাকপিয়ু —
তিলোত্তমা :— হৌজিকা ঈশৈ ময়েক অদুবু অদোমগী ···।
রনজিং :— হোয় -- ।
তিলোত্তমা :— ওম্থোক্লা অর্থ লৈবা লিরিক্লনি — অদুগা খোঙ্গেলস্থু

চিঙমুংগী তাম্বনা কৈদৌরুনি —।

রনজিৎ :— মুংশিবি ডুনা ··· ।

তিলোত্তমা :— তশেংবনি —। অদোমদি চিঙমুংদা হৌবা জাচন্দ্র পম্বীগা পাঙ্খক ওইরম্লেদনা —।

রনজিৎ :— কৈদৌবা ?

তিলোত্তমা :— (হাইকেৎ নোক্তুনা) হাইদে । অহু চানবিরবদি ঈশৈ অমত্তংগা ···· ···।

গৌর :— অমত্তংগা তাখিসি রনজিৎ — !

রনজিৎ :— তা - গৌর ··· ··· ।

সুরেন্দ্র :— অমত্তংগা তাখিসিদনা —। রনজিৎ, তিলোত্তমাসু নঙগুম্না ঈশৈ-নোংমাই, কলাদ পুরিং লুপচবী মীশক অমনিনা মাগী অনিঙবা নঙনা থুংহল্লু ।

তিলোত্তমা :— তাজনিঙহ্নুনা হায়জবনিবা; — সে, অমত্তংগা শকপি-খোবা ।

রনজিৎ :— ফনি, ময়াম্না চাম্বিবা — ঐগী লাইবক ফবনি ।

ঈশৈ : (রনজিৎকী)

করি ঈশৈবু শক্লগা পেমগনি
শৈশকসু হৈজদে সুরসু থঙজদে ।
ঙসি ঐগী থম্মোই বিনাদা
খোংলক্লে নঙগী পামজবা সুর ।
ঈশৈ শক্লি ঐগী থম্মোইনা
নঙগী থম্মোইদা খোঙ্গাং হৈনবা ।

ঐগী ঈশৈগী স্বরস্থ নঙনি
ঈশৈগী হৌরকফমস্থ নঙগী রাখলনি ।
শকলিবা ঈশৈশি সুংশি নশুংলাংগী
ওইবিয়ু নঙনা ঈশৈগী থরাই ।

তিলোত্তমা :— (খুবাক খুয়গা) বা ! বা ! অদোমগী ঈশৈনা ঐবু চানমা পংথহল্লে । — বা !

সুরেন্দ্র :— রনজিং, নঙনা নিংহন্নপ্রবদি মোংমা নংত্রগা মোংমদি মহাকী মংলান শোইদনা মংফাওনগনি ।

রনজিং :— ওঝাগী থোজালমি ।

তিলোত্তমা :— ওঝাবু, ঐখোইগী কলেজগী ফ্রেসেস'মিটকী ঈশৈদা ঐখোইগী দাদাগী আইতেম অনি-অহুম য়াওহনবীয়ুকো।

সুরেন্দ্র :— হোই - হোই - ।

তিলোতমা :— ঙসিদগী ঐনা কলেজদা ইমান্নবীশিংগী মফমদা দাদাসিগী মগুলবু শকপা হৌরুরগদবনি ।

রনজিং :— নত্তে — নত্তে — সিস্টর ·· ••• ।

তিলোত্তমা :— অণ্ডইবনে, — ঐখোযগী ফ্রেসেস' মীটকী ঈশৈগী প্রোগ্রামদা অনৌবা কলাকার অমবু' উজবা ফংলগনি হাযনা লাওথোকপা হৌরুরগদবনি ।

—: মিউজিক :—



চিঙমুংগী তাম্মনা কৈদৌকনি —।

রনজিৎ :— মুংশিবি টুনা ··· ।

তিলোত্তমা :— ভশেংবনি —। অদোমদি চিঙমুংদা হৌবা অচম্বল পস্বীগা পাম্বক ওইরম্লেদনা —।

রনজিৎ :— কৈদৌবা ?

তিলোত্তমা :— (হাইকেৎ নোক্নুনা) হাইদে। অহু চানবিরবদি ঈশৈ অমত্তংগা ···· ···।

গৌর :— অমত্তংগা তাখিসি রনজিৎ — !

রনজিৎ :— তা-গৌর ··· ···।

সুরেন্দ্র :— অমত্তংগা তাখিসিদনা —। রনজিৎ, তিলোত্তমাসু নঙগুম্বা ঈশৈ-নোংমাই, কলাদ পুক্নিং লুপচবী মীশক অমনিনা মাগী অনিঙবা নঙনা থুংহল্লু।

তিলোত্তমা :— তাজনিংডুনা হায়জবনিবা; — সে, অমত্তংগা শকপি-খোবা।

রনজিৎ :— ফনি, মম্রাম্না চান্নিবা — ঐগী লাইবক ফবনি।

ঈশৈ : (রনজিৎকী)

করি ঈশৈবু শরুগা পেমগনি
শৈশকসু হৈজদে সুরসু খঙজদে।
ঙসি ঐগী থম্মোই বিনাদা
খোংলক্লে নঙগী পামজবা সুর।
ঈশৈ শক্লি- ঐগী থম্মোইনা
নঙগী থম্মোইদা খোম্থাং য়ৈরবা।

ঐগী ঈশেগী সুরমসু নঙনি
ঈশৈগী হোরকফমসু নঙগী রাখলনি।

শকলিবা ঈশৈমি মুংশি নশুংলাংগী
ওইবিযু নঙনা ঈশৈগী থরাই।

তিলোতমা :— (খুবাক খুরগা) বা! বা! অদোমগী ঈশৈনা ঐবু চাননা পংথহল্লে। — বা!

সুরেন্দ্র :— রনজিং, নঙনা নিংহল্লব্রবদি নোংমা নংত্রগা মোংবদি নহাকী মংলান শোইদনা মংফাওনগনি।

রনজিৎ :— ওয়াগী থোজালনি।

তিলোতমা :— ওয়াবু, ঐখোইগী কলেজগী ফ্রেসেস'মিটকী ঈশৈদা ঐখোইগী দাদাগী আইতেম অনি-অহুম য়াওহনবীযুকো।

সুরেন্দ্র :— হোই – হোই –।

তিলোতমা :— ওসিদগী ঐনা কলেজদা ইমাগ্রবীশিংগী মফমদা দাদাসিগী মগুনবু শকপা হৌরগদবনি।

রনজিৎ :— নত্তে – নত্তে – সিস্টর ……।

তিলোতমা :— অওইবনে, — ঐখোয়গী ফ্রেসেস' মীটকী ঈশৈগী প্রোগ্রামদা অনোবা কলাকার অমবু' উজবা ফংলগনি চায়না লাওথোকপা হৌরগদবনি।

—: মিউজিক :—



-: নবসঙ্গীত মন্দোলগী মঙ্কগী শরুক :-

[মুংশিরবা যন্ত্রগী মখোলনা লিলাগী শৈরেং ওইরি]

(মীরায়া মরাং মরাং ভৌবগী নিক-থোংবগী মখোল)

মীয়াম :— কৈদৌরবগে, তৌবিরিবসিবু কয়া কুইনা চাইথিগদগে ? প্রোগ্রাম চংশিবিরো ।

[মীয়ামগী খুৎতাক প্রোক প্রোক খুবগী মখোল]

গৌতম :— লেদিজ এন্দ জেন্টলমেন্ট প্রেজেন্ট, — মিষ্টর স্থরেন্দ্র-বাবুগী ফাংলবা প্রাসাম অসিবু মেনবিগদৌরিবা কলা-কার অসিগী মিংদি সর্ব্ব শ্রীরনজিৎ সিংহ। মিষ্টর রনজিৎ! ষ্টেজদা থোকপীরবলো।

(মরাম্না খুবাক খুবগী মখোল)

অদুগা ময়ামদা হায়জরি, মহুদি— হন্দকী আইটেম অসিনা অবোইবনি। লৈজরে, মীষ্টর রনজিৎ সিংহ !

রনজিৎ :— তিনবিরিবা ভদ্রলোক ভদ্রমহিলা পুম্নমক, মযাম্না শংকখণ্ড মাইথণ্ডলবা মিস্টর স্থরেন্দ্রগী মঙ্গংশিন্দুনা ঐ ইশান্ শক তাকচবগী খুদোংচাবা ফংবসি ঐগী লাইবক ফবনি।

[ময়ামগী খুবাক খুবগী মখোল; মুংশিরবা যন্ত্রগী মখোলনা মাংথইনরগা রনজিৎনা ইশৈ শকই]

ইশৈ :— [রনজিৎ]

কদাইদনো নঙবু লম্বী চৎপা,

কদাইদগী লাকপনো নংাকপু,

কদাই তান্না চংলিবনো ?
অচান্বনা নঙগী লম্বীরা,
অমম্বনা পন্থুং ওইরিবা,
কনাবু নচনা খিরিবা ?
মকুপ মপিক্তা কান্নবরবা,
নাইতোম পাইবা চেক্লাগুম,
ওইবেদো নঙদি লম্বী চংপা।
হুংশিবা মকপ্পা কনানো,
ঙাইহাক্কী লম্বীগী মকুপ্পি,
নদোম লাকপনি তাইবংদা।

[ঈচৈ হেক লোইরকপদা ময়ামগী খুবাক খুবগী মখোল]

মীয়াম :— সুইট শোং ! সুইট ভোইস !

[ময়াম্না হরাওনা হুরখিবগী মীনিল তাই]

খোঞ্জেল :— সুরেন্দ্রদগী থোইনা তাদে।
খোঞ্জেল :— অচুম্বনি; — চাংদম্নবা য়াই।

[মীয়ামগী মীনিন নেম্নখিবা]

গৌতম :— (হরাওনা) রনজিৎ বাবু, ঙসি অদোম্না নবসঙ্গিৎ মণ্ডলগী ইজৎ কনবীবসিদি ঐখোইগী মণ্ডল অসিনা অদোমগী লমন পুন্সিগী তোল্লগনি।

রনজিৎ :— অদুগা গৌতম বাবু, নসবিঙ্গৎ মণ্ডলগী মপালদগী ময়ামগী মক্ষমদা ঙসি ঐনা ইশাবু শক তাকচবা ফংবসিগী

দমক্তা অদোমগী মগুলগী মফমদা ঐস্থ পুন্সিগী লমন তোল্লগদবনি ।

গৌতম :— অদু ••• রনজিং বাবু ··· ··· ।

রনজিৎ :— তাকপিযু ।

গৌতম :— অসিনি ···· ··· ও ! এক্সকুাজ মি । তা-গৌর ! তাগৌর !

গৌর :— (চংচকপাগা লোয়ননা) করি ওইরবনো ?

গৌতম :— চংলু, শঙ্গোম গ্লাস অনি পূরকউ :- ।

গৌর :— ফনি ; ··· অদু ••• বাবু··· ···· ।

গৌতম :— করিনো ?

গৌর :— ঐখোয়গী বাবুসিনা শকপা ঈশৈদুদি মী পুম্নমক্তা হায়নখরে, ওঙ্গোক্লা পেন্নখ্রে ।

গৌতম :— (নোক্তুনা) অওইবরা — ?

গৌর :— অওইবনে বাবু । ঐ শঙ্গোম লৌরুখিগে ।

গৌর :— রনজিৎ বাবু, ইফ ইউ দোন্ট মাইন্দ ঐ করিগুম্বা অনভা হায়জগে ।

রনজিৎ :— তাকপিযু ।

গৌতম :— অসিান রনাজিৎ বাবু, ঐখোয়গী মন্দল অসিগী কলাকার অনা ওইাবরো হায়রবু ··· ··· ।

রনজিৎ :— তাকাপায়রদু ঐগী লাইবক ফবনি । অদুবু ঐবু শন্নবগী মতম খজিক্তং পিবিয়ু ।

গৌতম :— নত্তে, হায়বিবিবসিবু রনজিং বাবু-বু অতোপ্পা

কলাগী সংস্থাম অমদা য়াওবিবরা ?

রনজিৎ :— অদুগী রা করিসু লৈতে; ঙসি অসি করিগুম্বা রাখল অমনা ঐবু মঞ্চদা থোক্কুনা ঈশৈ শকহনখিবনি ।

গৌতম :— হায়বদি ... ... ?

রনজিৎ :— হায়বদি ... ... তোকলসি, গৌতম বাবু । ঐ চৎচরগে ।

গৌতম :— করিগীনো, ঙাইগাকতং ফম্বীখো — । সঙ্গোমকা ফানখিসি অদুগা ঙসি মণ্ডলসিগী ইজং কনবিবগী-দমক্তা হৌনবা খঙবসু উৎচগনি ।

রনজিৎ :— তাকপিরিবদুনা ওকচরে ।

গৌর :— মেনেজর সাহেব — ।

গৌতম :— থম্মুসিদ । রনজিৎ বাবু, সঙ্গোম ফানবিয়ু ।

গৌর :— অদুগা বাবু, তিলোত্তমা কৌবি নুপী অমনা ঐখোয়গী বাবুসিসু অমুক্তা উন্নজবা যাগদরা হায়না হংলকই ।

গৌতম :— য়ানি, চঙলকউ হায়য়ু ।

রনজিৎ :— অমুক্তা ঙাইবিখো । গৌতম বাবু, ঐগা উন্নগে হায়রিবী তিলোত্তমা হাযবী নুপীদু মশক খঙবীবরা ?

গৌতম :— খঙডি, ঙসিগী ফংসন অসিগী ভি, আই, পি, অমনি । এদভোকেট শেখরগী নুপীনি ।

রনজিৎ :— এদভোকেট শেখরগী নুপী ! তা গৌর, ঐ চৎখরে খরা হায়বীয়ু ।

গৌতম :— করিগীনো ?

রনজিং :— মতুগী মরম হংবিগন্নু। তাদা চংলু, নুপীচুদা হায়রু,— ঐ চংখরে হায়না।

গৌর :— ফনি।

গৌতম :— রনজিং বাবু, করিগীনো অদোম্না মিসেজ শেখরবু উনম্নিংদ্রিবদি ?

রনজিং :— ঐ অসি মাগী মক্ষমদা মাইথিরবা অমদি লমন তোল্লবা মীশক অমনি।

গৌতম :— মদুগী অর্থদি ?

রনজিং :— অর্থদু ফোংদোকপা তারবদি মদুগী রারিদি য়াম্না শাংখ্রে।

গৌতম :— রাফম অসি ঐঙোন্দা য়াম্না ওক্লা থোকখরে. থোই-দোকপা অকাইবা লৈত্রবদি ... ...।

রনজিং :— তাবিয়ু, ঐ অসে ইয়ুম ইস্কোল লিংদ্রবা. ঐগীনি হাযবা কনাস্থু লৈত্রবা মীশক অমনি; অদুগা মিসেজ শেখরনা মেজিসট্রেত ইন্দ্রমনিনা পোকপনি। তিলোত্তা-মানা মিসেজ শেখর ওইদ্রিডৈ, মহাক্না কলেজ তম্লিডৈ, মখোইগী কলেজগী ফ্রেসেস' মীট লুমিন্তা ঐগী ঈশৈগী আইতেম অমা থনম্মী। ঐগী ঈশৈ ময়েক্না ঐগী স্তুরনা, ঐগী খোন্তোক্না মাগা ঐগাগী পুন্সিগী অহান্বা উনবা খঙনবা ওইখি। তিলোতমা ঈশৈ অমদি কলাবু পামজবী মীশক অমা ওইরম্মী; ঐগী ঈশৈনা মরম ওইদুনা মাগী মনাক্তা চংপা ঙম্বগী ঐগী খুদোংচাবা

অমা ফংলম্মী। নুমিদাংবাইগী মতমদা নুমিৎথুদংগী তিলোত্তমানু ঐনা ঈশৈ তম্বীরম্মী। মোংমাগী মন্নুংদা ঙাইহাক্তা ওইববস্তু মাগা ঐগা ফম্মীন্নদুনা বারি— শাদুনা নরকুবনা, মাগা ঐগাগী মরক্তা নুংঙাইবা মংলান অমা মংমিন্নবা হৌরকখি —।

—ঃ (হ্রুপা বেক) ঃ—

তিলোত্তমা ঃ— গুদ ইভিনিং, রনজিৎ বাবু !

রনজিৎ ঃ— গুদ ইভিনিং —।

তিলোত্তমা ঃ— লেংশিল্লু ...।

রনজিৎ ঃ— তিলোত্তমা দেবী, ঙরাংগী ঈশৈ ময়েক অদু কলেজদা করি ঙাংনৈ ?

তিলোত্তমা ঃ— ঐগী চাওথোকচনিংঙাইনি —।

রনজিৎ ঃ— হায়বদি ... ... ?

তিলোত্তমা ঃ— নহাকী নওনু শকপা নংতনা করিবু ঙাংনগদগে। অদুগা কলেজ মেট আই-মিন ইমান্নবী থরনা ঈশৈ ময়েক অদু তারগা, ঐবু যেংলগা পংনোক্তা নোকই....।

রনজিৎ ঃ— করিগী নোকলিবা ... ?

তিলোত্তমা ঃ— মখোয়না হায়, ঈশৈ ময়েক অসিদি ঐখোয় অনিগী পুন্সিগী শকতমনি —।

রনজিৎ ঃ— অওইবরা .... ?

তিলোত্তমা ঃ— অওইবনি ..।

রনজিৎ :— অদুদি ঐগী ঈশৈ মহৈ য়াল্লেদনা ?

তিলোত্তমা :— নঙগীদি মহৈ য়াল্লে, — অদুগা ঐনা ইমাম্বীশিংগী মমাংদা ইকাইবা নঙলিবদুদি করিমন্না খনদবরা ?

রনজিৎ :— ইকাইবাদুবু মাইযোক্নবা ঙমদ্রবদি — নহাক্না ঐগী স্বরনি হায়না খনজক্লবগী, মরল লৈত্রেদনা।

তিলোত্তমা :— খঙইরে, ফাওদ্রবা লিরিকস্ রাইটর অমদি ঈশৈগী কলাকার অমগা রা ওাংনবগী ঐগী পাঙ্গল লৈজদে। ফরে, ঙসি অনৌবা ঈশৈ অমা তম্বীগনি হায়বদু ঈশৈ মযেক পুবিরক্লবরা ?

রনজিৎ :— পুবক্লে। অদুবু অনৌবা ঈশৈ ময়েক অসি পায-দ্রিবগী মমাংদ ঙরাংগী দুইংখল শোং অদু অমুক্তা ওরাইখিসি —। রেডি — ! ৱান — টু — থ্রি —

[মুংশিরবা যন্ত্রগী স্বরনা মাংওইনদুনা ঈশৈ হৌরকই]

ঈশৈ :—

রনজিৎ :—
লাও, লাও চংসি লাও,
ঐগী ইতুং ইল্লকউ লাও,
মুজানি নঙদি পাঙ্গল শোনবী
ঐগী ফিজ পায়রো লাও।

তিলোত্তমা :—
মনিমুক্তাগুম থরানমিচাক্না
তগুপ তরেং থোক্লি ঙালিবা

মাংদা উরিবা নিংথিবা লমদম
নঙগী ঐগী মংলৈপাকনি।

রনজিৎ :— চংমিন্নশি লাও থুংশন্ননা
প্রেমগী মন্দির তন্নসি লাও

তিলোতমা :— য়াতামিন্নকুরসি মুংশি লৈকোন্দা
থম্মোই থম্মোই শিন্নকুরশি।

ইন্দ্রমনি :— (ইমুং মনুংদ কা অমদগী) বিজয় ! তারিববা ;

(ঈশৈ শকপা লেপথিবগী মতং)

তিলোতমদা হায়য়ু, ঈশৈ মুংমাইগী থবক্তা কা-হেন্না পুক্নিং লুপ্লবদি মাগী মহৈ তম্বদা য়াম্না কাইরক্লগনি হায়য়ু। অদুগা মসিমগী হায়য়ু; ঐগী ইতুংদা মাগী ওঝাবু লাক্লবদি ... ...।

তিলোতমা :— (খর লাওনা) পাবুংনা হায়নিংলিববু করিনো ?
রনজিৎ বাবুদি ঙসাইদগী অসিদা যমদুনা লৈরি।

ইন্দ্রমনি :— (মনুংদগী) হা ? (থোরকপগী লোইননা)
কৈদোবা ? ও ! ইবুংঙো রনজিৎ।

রনজিৎ :— খুরাইবুংঙো।

ইন্দ্রমনি :— ঐ লৈরিঙৈদা ইবুংঙো লাকপা য়াম্না ফরে। ইবুং-ঙোদা বা অমত্তং হায়গে নিঙবসি মতম কুইরবনি তান অমা ইচা চাদদুনা ঙসি ফাওবদা ঙনদ্রি; ঙসিদি হায়বা তারে।

রনজিৎ :— তাকপিয়ু ।*

ইন্দ্রমনি :— ঐগী বা তারগা নঙনা শেয়াম্নবা রাখল অমরোমদা চংখিবদি য়াদে ।

রনজিৎ :— করিগী ... ... ।

ইন্দ্রমনি :— হৌজিক্কী মতমদা মনিপুর অসিদদি ঈশৈ লোংমাই তৌবা দ্রামা ফংলা তৌবনদি পুন্সিগী অচেংপা ফিরেপ অমা ওইনা লৌবা ডম্নদ্রি। ঐনা হায়রিবা বাসি কলাদা লুপ্লবা মীওইবু হনথনা থনবাগী বা নত্তে ।

রনজিৎ :— হোয়; অদু ঐনা হায়জনিংবা অমত্তংদি লৈ । হৌজিক্কী মতমদা মনিপুরদা কলাগী শিনফম্না পুন্সিগী অচেৎপা ফিরেপ অমা লৌবা ডমদ্রগনু ডম্মরুবাগী লম্বীদা, শিনফমসিদা ঐখোইনা লময়ানবা অমা ওইবদা পোইদোক্লা কাইদমাল্লে নিংঙ্গে ।

ইন্দ্রমনি :— কাইদে । মদো ঐ যাই, চিরম খুদিংমক, লম্বী-খুদিংমক লময়ানবা মীগী থৌদাং যাম্না চাওই । অদুবু ঐনা নঙোন্দা হায়নিংবদি হৌজিক কৌজিন— জেনেরেল এডুকেসন লাইনদা চংথরিবা ঐগী ইচা তিলোত্তমাবু নথোয়গী কলচর অসিদা ডাওহনগনু ।

তিলোত্তমা :— পাবুং !

ইন্দ্রমনি :— (থাম্বগী মঙ'দা) তিলোত্তমা! ইবুংঙো রনজিৎ, ঐগী বা অসিদা মঙনা খোইদোকপা থল্লোই হায়রমদু নিঙই ।

রনজিৎ :– হোয, খনজ্রদে ··· ···.।

ইন্দ্রমনি :— খন্দুনা য়েংঙু, লক্ষী য়াম্না ফাংলবদি লম্মুক্লদুনা তোকই । লক্ষী অমত্তম্ন পস্থংফম য়োবা ঙমদবনি । ঐনা পাম্মৌ, ঐগী ইচানা হোলায় অমা ওইবা । অদুনা কলচরগী লম্বাদা মানা খোঙ থাংজিল্লিবসি ঐ পামদে ।

তিলোত্তমা :— পাবুং ··· ···· ।

ইন্দ্রমনি :— নুপীমচা, নঙোনদা ঐ ৱা হায়দে । চংলো, নঙগী ৱিডিং-রুমদা ।

তিলোত্তমা :— পাবুং ···· ।

ইন্দ্রামনি :— গেট ইন্ । (তিলোত্তমা চংখিবগী মতুং) ইবুংঙো রনজিৎ-বাবু, মপা অমা ওইবগী ঐগী আশাদি, ঐগী ইচানুপীনা নিংথৌগী মহারানি ওইরবা ফাওবদা মপা ঐগী থম্মোইদা পেল্লোইদোরিবনি ··· ।

রনজিৎ :— খুরাইবুংঙো ।

ইন্দ্রমনি :— ঐগী ৱাখল, ঐগী পুক্লিং ইবুংঙোমা খঙবিয়ু । ইবুংঙোদি লৈপাক্লা শকখং মাইথংলবা কলাকার অমনি ইবুংঙোগী মিংচং থিহনবীগনু ।

রনজিং :– অনি, ঐ চংচরগে ।

—: ক্লাস্ বেক্ লোইবা :—

রনজিৎ :— গৌতম বাবু, নুমিৎ অতুনা তিলোত্তমাগী ময়ুমদা চৎপগী ঐগী অরোইবা নুমিৎ ওইখি। নুমিৎ অতুদগী হৌরতুনা ঐগী ঈশৈ ময়েক পাবিনবসু লৈখিদ্রে, ঐগী স্বরসু মাংখরে। মানা ঐগী ইফমদা চিঠি তোইনা ইরকখি, অদুবু ঐনা পাওখুম অমত্তসু হনখিদে।

গৌর :— মতুগী কান্নবদি — ?

রনজিৎ :— কান্নবা কানদবাগী রাদি খল্লুদ্রে, মতম অতুদা ঐনা খনখিবা রাখল হায়রবু, মতিক চাদবা ঐগী ইফমদগী চিঠিগী পাওখুম পিদুনা তিলোত্তমাগী মকোক শাহল্ল-রোই খনখি।

গৌতম :— মতমতুদা রনজিৎবাবুনা খনখিবা রাখল অদো অরানবনি।

রনজিৎ :— করম্না ?

গৌতম :— ইশাবু ইশানা মতিক চাদে হায়তুনা হন্থনা খনজবসি ইশাগী অশোনবনি। অতুগা অসিমগা খওবিয়ু, রনজিৎ-বাবু — মুংশিনবগী মক্কমদা মতিক চাবা - চাদবা নাইদবনি — অনেম - অরাং য়েংদবনি। মুংশিবা হায়বাসিনা খ্বাইদগী মরাংলবনি।

রনজিৎ :— গোতম বাবুগী রাতু ককচবদি ঙমদে, অদুবু মুংশিবনা পুক থনদে, মুংশিবনা মা ওইদে হায়বসিসু লাল্লগদরা ? ঐনা তিলোত্তমাগী মফমদগী থাপতোক্রবা হোৎনখিবদি মাগী অফ - মুংঙাইগীদমক্তনি অমদি মাবু পোকপা মপানা মচাগী ফনবা খনজবা রাখল, নিংজবা আশা,

কায়হনমিংদতুনা লোম্হোক্তবগুম্না তুমিম্না লৈখি।
অতুনা, নুংশিবগীদমক্তদি ঐ অসি তিলোতমাগী
মফমদা লমন তোম্নবনি, মাইথিরবনি —।

গৌতম :— রনজিৎ বাবু !

রনজিৎ :— (নুংঙাইতবা মীনোক নোক্লগা) হা ··· হা ··· হা
গৌতম বাবু, ঐ অসি অসিগুম্না নুংশিবগী চৈথেং
কয়া ফংলক্রবা, কপ্না কপ্না থাংলক্রবা, নোক্না নোক্না
নুংশিবা কয়া কংথোক্রবা মীশক অমনি।

গৌর :— বাবু ····।

গৌতম :— করিনো ?

গৌর :— ডাক্তর শরৎনা রনজিৎ বাবুবু অমুক্তা উনগে হায়রি।

গৌতম :— চংহল্লকউ ··।

রনজিৎ :— ডাক্তর শরত হায়রিবসি আই স্পেসিয়েলিস্ট অতুরা ?

গৌতম :— মানি; মহাক অসি ডাক্তর অমা ওইরবস্মু মিউজিক্তা,
ড্রামাদা য়াম্না মপুাক্লং লুপচবা মীওই অমানি।

রনজিৎ :— আই সি ·।

গৌতম :— লেংশিনবীরকউ ডাক্তর ···।

শরৎ :— ফনি ।

গৌতম :— চেম্বারদা লেংশল্লু। রনজিৎ বাবু ঐখোয়গী ডাক্তর
শরৎপু শক খঙবিয়মগনি নিংঙি।

রনজিৎ :— য়াম্না মুন্না খঙজে।

গৌতম :— অদুগা শরৎ বাবু, ঐখোয়গী সঙ্গিৎ মণ্ডলসিগী ডসি

ইত্তং কনবিরিবসি রনজিৎ বাবুনি ।

শরৎ :— হোই খঙজরে অদুগীদমক্তা রনজিৎবাবুদা থাগৎ রাহৈ খরদং ফোংদোকচগে চংজরক্লিবনি । রনজিৎ বাবু, অদোমগী ঈশৈনা মী পুন্নমকপু হায়নিঙাই নৈতনা পেলহনখয়ে ।

রনজিৎ — ঐবু মুংশিবীহ্নুনা ··· ··· ।

শরৎ :— মদুগী রা নত্তে; অশেংনমক রনজিৎ বাবুগী ওসিগী ঈশৈদুদি ময়েক অদুনা মিনিংফুল ওইরিবা, খুবনা পুক্লিং হুরিবা, অশাবা মী খুদিংমক স্বর হোন্না কাওবা কাউনখি । রনজিৎ বাবু, ঐগী মাইকৈদগী লুপা চাম অসিদং চা ফান্নবা লৌবিযু ··· ।

রনজিৎ :— শরৎ বাবু, মদো থমজিনবীয়ু । ঐগী ঈশৈবু পেন্নবদুনা, ঐগী ঈশৈগী মমল ফংজরবনি ।

শরৎ :— আই সি —। অদুগা রনজিৎবাবু, বাবুগী কাওবা যায়রোইদবা ঈশৈ অদু টেপরেকোর্দর অসিদা লৌশিল্লহোরে ।

রনজিৎ :— ঐগী লাইবক ফবনি ।

শরৎ : - অদুদি গৌতম বাবু, ঐ চৎচরগে ।

গৌতম :— ফনি, ডাক্তর ··· ।

শরৎ : — রনজিৎ বাবু, নোংমা অশংবা মতম অমদা ঐগীদা চা কপ অমত্তা ওইরবসু ফানবিররোদনা · · ।

রনজিৎ :— ফগনি ।

শরৎ :— লেংবিরো; গৌতম বাবু, ঐমু চংমবা ।

গৌতম :— রনজিৎ বাবু, অদোমগী অরামন ঙমজবা খরদং তৌভ-খিগে ।

রনজিৎ :— গৌতম-বাবু, মতুগীদমক্তা খনবিরুগনু । মশুল অসিগী মপালদগী মীয়ামগী মফমদা ঙসি ঐগী ইশক তাকচকী খুদোংচবা ফংবসিনা ঐগী অরামন ফংজররনি ।

গৌতম :— রনজিৎ বাবু ... !

রনজিৎ :— অচুম্বানি ... ।

—: মিউজিক :—



—: ডাক্তর শরতকী কা :—

[যরীদা পুং তরা তাবরি মখোল রৈরক্লি]

শরৎ :— ঈশ, পুং তরা তাগ্রেদনা !

[হকাম শাংনা চনবী মতং-মতৌ, লাইরিক অথাবা খুরজিনবী, টেবিলদা থবী মখোল]

ইমা ! হো, ইমা !

মাধবী :— (কা অমদগী) করি হায়গে ?

শরৎ :— ঙসিদি ঐয়াম্ন তুমনিংলে, ফমুংদ চংদে । ঐগী মীহৎ-থোক্তগী পদ'ার কাসি খরা থাদবিরম্মু ... ... ।

মাধবী :— (কা অমদগী চংভক চংভক্লা) ভসিবু কয়াম থেং-থ্রবগে, পুংবু কয়া তাগ্রবগে ?

শরৎ :— পুং তরা তাখরে ।

মাধবী :— শরৎ, ইবুংঙো ...... ।

শরৎ :- করি হায়গে ?

মাধবী :— নংবু য়ামনা তুমনিংলবরা, ইমাগা বা অনত্তা ভাংম-থিসি ... ।

শরৎ :— করি রানো, হয়েং ভাংনবা য়াগ্রবরা ?

মাধবী :- নংগা রারি শাববু করম্বা মতমদা ফংগদগে; হেক নোংঙানবগা অশোল অনানা পরিং-দা শেম্বাং তোংব-শুম্ন, মাংগোলদা পরেং শামা লেপ্ররনি, — ময়াম থাদোকখিবগা লোইননা, নংসু য়ুম থাদোক্লনা চংগ্ররি। কদাইদনো, নংগা ঐগা রারি শাবগী মতম ফংগদৌ-রিবা ?

শরৎ :— করি রানো ইমানা হায়নিংঙিববু ?

মাধবী :— অসিনি ইবুংঙো, থবক থানা মোমলিক তৌনবনি হায়-ছুনা থমলিবা নংগী থুরা আবেরসু, ননাও বীর অসিসু নিপা ভহাকতা ওইবনা ইমুংগী অকুপ অতাইগী থবক-তা শিন সুরকতেদো, থবক অমতং তৌবদা অহল ওইরবী নমা ঐবুদা চেন্নরি ; অহুনা ইমাগী ইতেং থরা ওইনবা ... !

শরৎ :— নমৌ থিরশি, অসিনিনে

মাধবী :— হোয়নে, ইবুংঙো। নহাক লুহোংনবা তৌরসিনে।

শরৎ :— [মোকতুনা] অদুগীরা ?

মাধবী :— নংগী নপুকনিং অমা খংদোকতবা য়াদতুনা হায়রিব-নিনে। য়েং-ওই, ইমানা পাম্বা নুপীমচা অনদি লৈরে-দো; নংগীনি হায়তুনা হেক হায়রুবদা পিরক্কদবা।

শরৎ :— কনানোনে ••• ••• ?

মাধবী :— হে—রা, মশাসু এম, এ নি হায়বরা, হৌজিক হৌজিক রাইজিং কোলেজদসু ওঝা ওইরি হায।

শরৎ :— অদুবু কনানো হায়বনি ?

মাধবী :— মমিংনা রেনুবালা কৌই হায়, মাবু পোকপনা এম, পি দরেন্দ্রনি।

শরৎ :— (নোক্লগা) ও ! খংঙে, খংঙে ফিলমষ্টারগী মতৌ য়াম্না তন্বী, লাই শগোল মানবীদো ?

মাধবী :— নঙনা করি খঙঙদনা।

শরৎ :— ফরে, ইমা— হয়েং চাংনরশি, এ যাম্না তুমনিংলে।

[মওম অসিদা থোংদা কোক কোক থিরকপগী নখোল]

রনজিৎ :— (মপালদা) রা অমতা হংজগে ?

মাধবী :— কনানো, করিনো ?

রনজিৎ :— (মপান্দা) এখোয়গী ডাক্তর বাবু-বু লৈবরা ?

মাধবী :— করিগীনো ইবুংঙো ?

রনজিৎ :— অনা অযেক্কী মরমদা রারি অমত্তা তৌজগে জৌবনি, নত্তে, ডাক্তর বাবু বু লৈতবরা ?

মাধবী :— লৈ; তুমখরে — অকুন্না অনাবা নৎত্রবদ্রি হয়েং অয়ুক লাক্লউ ইবুংঙো — ।

রনজিৎ :— অদুক মাম্মসু থেংদ্রি, য়াম্নবদি অমুক্তা হৌদোকপিয়ুবা।

শরৎ :— ইমা … । (থোঙ হাংদোকপগী মখোল) কনানো, ইমুংদা হেক্তা চংবিয়কউ ।

মাধবী :— ইমুংদা চংঙকউ ইবুংঙো ।

রনজিৎ :— (চংংক্লপগা লোয়নন্না) ফন্নি । গুদ্দ ইভিন্নিং ডাক্তরবাবু।

শরৎ :— গুদ ইভিনিং; লেংশিল্ল চেয়ারদা। করিনো, ইথা-থাজদন্না, মুংদাং অসিদা … ।

রনজিৎ :— অয়ুক নুংথিলদদি মীনা রুশ গুইবনা বাবুগা নিংশিন্না রান্নি রাতাই শাবা ফংদে হায়নৈ । অতুনা থরা কুপনা নৈননিংবা রাক্লম অমা গুইবনা মুংদাংদা লাকচ-রিবনি ।

শরৎ :— ক্তাকপিয়ু কনা কৈদৌরবগে ? ও, — এক্সকুাজ মি … । ইমা, খুরা আবেরখোই তুমগ্রবরা ?

মাধবী :— করি হায়গে ?

শরৎ :— চা অমুক্তা তৌহল্লকউ ।

রনজিৎ :— ডাক্তর বাবু, ঐগী গুইরবদি তৌবিক্রমু।

শরৎ :— করিনো, ঐগীদা লাক্লগা চা কপ অমা ফাওবা ফানদনা হমগদরনে ? ইমা, ঐনা নহাল তেপ্তা ঊশৈ অমা তাহনবতু লাক্লিবা রনজিৎবাবুসিনা শক্ত-

পনিনে।

মাধবী :— হায়মা, ইবুংঙোসিনা শকপা ওইরে! ওস্থোক্রা নুংশিধরেদা —।

শরৎ :— ইমা চা হায়বত্থ ···।

মাধবী :— হোয়, হোয়; ইবুংঙো, ফম্মমু —।

শরৎ :— কনা কৈদোরবা, তাকপিয়ু রনজিৎ বাবু।

রনজিৎ :— মমিং তাংলবী লৈশাবী অমগী মরমদা রারি অমত্তা তৌজগে তৌবনি।

শরৎ :— লৈশাবীদুবু বাবুগা করি থোক্লবীবগে?

রনজিৎ :— করিস্থ থোকনদে, ঐগী কনাস্থ নক্কে।

শরৎ :— করিস্থ থোক্লদবা লমলানবী লৈশাবী অদুগীদমক্তা বাবুনা পুক্নিং অদুক থিংজিনবীকরিবা করিগীনো?

রনজিৎ :— অস্থম তৌবনি ডাক্তর, নুপীমচা অসি মাগীদি হায়বা কনা উদ্রবী, ঐগুম্না লাইবকথরবী মীশক অমনি। মমিং তাংবদগী লম্মীগী চাক্লিবগুম ওইরিবা, মাগী পুন্সি অসি করিগুম্বা মাগী মমিং অসি উহনবিবা ডম্রবাদ মহাক লাইবকফবী অমা শোইদনা ওইগনি।

শরৎ :— রনজিৎ বাবু।

রনজিৎ :— অচুম্বনি ডাক্তর, অরাবনা অরাবরু থঙ্ডি হায়বগুম মরাইবকথিরবী নুপী মচা অসি লাইবকফবী অমা ওইহনগে হায়না ঐগী পুক্লিং অসিনা লেপথরে।

শরৎ :— রনজিৎ বাবুদি নুপীমচাদুবু মতৌ করম্না থেংনরুরিবা?

রনজিৎ :— করম্না থেংনরুবা, ঐস্থু খঙদে, বিধাতাগী নোংদমনি। নোংমা, ··· নোং মুংশিৎ মরক্তা লম্বীগী চিদাই অমদা ···· ··· ।

—: (ফ্লাস্ বেক্) :—

[অথাক অরাওগা লোয়ননা নোং মুংশিৎ কল্লা তৌরি। তপ্না তপ্না নোং মুংশিৎ মেমথরকপগী মতুংনি]

রনজিৎ :— ইশ! নোং মুংশিং অসিদি কনপ্রেদা! কনানো, নোং মুংশিৎ মরক্তা লেপ্তুনা লৈরিবসিবু ··· ! (খরা লাওনা) ইবেম্মা! করিগীনো, নঙনা নোং মরক্তা লেপ্তুনা লৈরিববু — লাওনে, সিদা চঙচকউ লাওনে — থাংপোক শংসিদা চঙলকউ, ঙাইহাক্তুং নোং থুপ্লখো। ইবেম্মা, নঙবু তারিবরা? নশা পুম্বা চোংপা তারে, ঙহাক্তুং মফমসিদা নোং থুগ্লখোনে —।

মধুমতি :— কদোমদনো · !

রনজিৎ :— শোমদা শোমদা লাও, শোনদা —

[মধুমতি লাকপদা তুবগী চৈনাখোল থাংবগী মওং মতৌ]

মধুমতি :— ইশ, — অয়ো — ।

রনজিৎ :— (চংশিনবগা লোইননা) কৈদোরে, — ইবেম্মা — শোক্লবরা ?

মধুমতি :— করিস্থু তৌদে — দাদা ।

রনজিৎ :— খাংপোকশং অসিদা চংশিন্দুনা ইহাক্ নোং পুম্বা য়াদবরা ? করিগীনো, নশা পুম্বা নোংনা পুমচোৎ চোৎপামখৈ লম্বীদা লেপ্তুনা লৈরমলিবদি, — লাও ঐগী ইতুং ইল্লকউ।

মধুমতি :— দাদা, লম্বীনা বদাইনো, খাংপোকশংনা করদাইদনো হায়বা খংজদ্রবী, উবা ফংবগী পাঙ্গল লৈত্রবী নিং তাং-লবী ঐনি।

রনজিৎ :— করি হায়বা ইবেম্মা ?

মধুমতি :— কল্লবা নোং নুংশিং মরকসিদ্ চৎপস্থ হুমদবনিনা অমুম লেপতুনা খাংজবা নত্তনা ঐগী করি পাঙ্গল লৈগনি।

রনজিৎ :— ও! খংলে। তপ্না চংলু অমুক তুগনি। খাং-পোকশং য়োরে, কাখংলো — দারি মপালনি, হো, — য়ারে — য়ারে।

মধুমতি :— (নুংশাখর মপি শাংনা হোল্লগা) দাদা, করিনা লমন শিংগনি।

রনজিৎ :— করিগী লমননো ?

মধুমতি :— দাদা, নোং নুশিং অসি খরা পাথরক্রররা ?

রনজিৎ :— উম, খরা পাথরক্লে। মফি নরোল লোইবা চোৎলেদো।

মধুমতি :— কমদি তৌনি, চোৎচরেদনা। দাদা, নুমিৎ অসি কয়াম খেংগ্রবগে ?

রনজিৎ :— নুমিৎ তাগদোবা খরা বাংলি। নত্তে, নহাকপু কদাইদা চংকদৌরিবনো ?

মধুমতি :— সিদগী য়ুম মখা পাংনা চংলগা লবুক্কা তাইনবা খুল অমা লৈবদু তান্না চংকদৌরিবনি। পংলাপ লাপল্লে।

রনজিৎ :— খুল অদুদা নংগী য়ুম লৈবরা ?

মধুমতি :— হোই ।

রনজিৎ :— নমিংদি করি কৌই ?

মধুমতি :— মধুমতি কৌই ।

রনজিৎ :— (মশা মতোমতা শোনজবগী মওংদা) মিংসু মেংঙি, শকসু ইংঙি —

মধুমতি :— কৈদোবা ?

রনজিৎ :— হায়দেদা।

মধুমতি :— দাদাবু করি লৈকাইদগীনো, মিংনা করি কৌিবগে ?

রনজিৎ :— ঐগী মিং রনজিৎ কৌই ।

মধুমতি :— য়ুমদি কদায়দা — ?

রনজিৎ :— ঐগী য়ুমবুরা ?

মধুমতি :— হোই ।

রনজিৎ :— তাও, ইবেম্মা, সংসারসিদা ঐগীনি হায়বা কনাসু লৈতে হায়বা য়াই অদুগীসু মথক্তা ঐ অসি ইয়ুম ইস্নোল লিংদবা মীশক অমনি মীগী শাইজিন শায়াদা তাংদুনা ভারাদা লৈবা মীশক্নি ।

মধুমতি :— দাদাগীনি হায়দুনা কনাসু লৈতবা ?

রনজিৎ :— লৈতে ।

মধুমতি :— নেং হাংলেমাল্লে, ঐ চৎলগে ।

রনজিৎ :— চাম্নবা হাংদ্রি, ঙহাক ঙাইখো ।

মধুমতি :— নুমিৎ তাগ্রবদি ?

রনজিৎ :— নুমিৎ তাগ্রবস্থ কিগন্নু, ঐনা মযুম তাম্না থিনবিগনি ।

মধুমতি :— কিবগী নত্তে, নুমিৎ তাগ্রবদি ঐখোইগী মামনা ঐবু ফু - চৈগনি । দাদা, ঐগী ময়োম অসি কিশি থোক-পরা অমুক্তা যেংবিয়ু ।

রনজিৎ :— করিস্থ তৌদে । ময়োম অসিদি করিনো ইবেম্মা, পূনচোং চোংলে, চেংনা ?

মধুমতি :— মানি, ভিক্ষাদা ফংলকপা চেংনি ।

রনজিৎ :— ভিক্ষাদা ফংলকপা চেং । উবগী পাঙ্গলস্থ লৈত্রবী লৈ-শাবী নহাকনা কোইনা ভিক্ষা চৎপকো !

মধুমতি :— মসি নত্তনা করিদি উপাই লৈগনি ।

রনজিৎ :— হায়রিবসিবু নহাক্তা.ন হায়বা .... ।

মধুমতি :— ইপা ইমা লৈত্রে ; ইবুং অমা, ইপা অমা, ইচে অমা, লৈজদ্রবা লাইবকথিবী ঐনি । ঐগীনি হায়ববু ইমাগী মোপাশিং থেকপা মাম অনত্তং লৈরি । নত্তে, ঐ চৎচরগে থেংলবদি মামনা ঐবু .... ।

রনজিৎ :— মধুমতি, নংগী কিভন অসিদা নংগী মানহুনা নংবু অস্থম্না লম্বা শোরোক্তা থাদোকপরা ?

মধুমতি :— ঐনা মিং উরিউ পাঙ্গল কল্লিউ, মাম মাগী মহেং পাংবা ঙমলিভৈদদি মুংশিনা চাম্না লুনা তৌবিরম্মা ।

রনজিৎ :— অদুদি নহাক্কী মিং অসি .... ।

মধুমতি :— ঐনা চহি তরাহুমদোম্ম শুরক মতমদা কল্লবা অরুম লাইফৌনা মাখি। মত্থুদগী ঐগী মিৎ উবগী পাঙ্গল মাংখি। মতম অতুদগী ঐগী মামনা ঐবু নুংশিদবগী মিৎয়েংনা যেংবা হোৎকখি। নোংমা অমুম্না মামনা হায়, লৈবগীদি অতুম লৈবা য়াগনি অতুগা ভিক্ষা নিবনি খংদে, হুবনি খংদে নংগী নোংমগী চরা অনিদি নং নশান। খিজগদব অসিনি।

রনজিৎ :— (স্বর হোনদোক্লগা খংলে, —।

মধুমতি :— ঐ চংলগে দাদা।

রনজিৎ :— চংলো। নত্তে, মধু, অমুবাই ফাওবা থিল্লু হায়বরা?

মধুমতি :— থিনবীদ্রবস্থ যানি দাদা।

রনজিৎ :— ভাইখো মধু, নংনা ভিক্ষাদা ফংলকপা নংগী চেং চরা অতুদি পুমচোৎ চোংলে, চাবা য়াররোই, হোরেন নুংদাংগী চানবা লুপা তরা শে পায়খো।

মধুমতি :— য়ারে, দাদা পাবীগন্থ।

রনজিৎ :— করিস্থ খল্লুনু শে লুপাসি পুগ্রো মধু।

চন্দ্রহাস :— (শাওনা) মধুমতি

মধুমতি :— মাম -।

চন্দ্রহাস :— লমকেং লমহেনবী হায়বা ইনদবী ' করিনো, নংনা তৌরমলিবসি, নুমিৎ তাশিল্লক্লবা ফাওবা মশক খংদবা নিপাগা রারি রাতাই শুতুনা লৈথোকপা! নংগী নরমচং শাজৎ অতুননিনে, ঈশ্বরনা নংগী নমিৎ তাংহল্লিবদো।

মধুমতি :— মাম, নমৌ ঐবু লান্না লৌবীগনু । নোং নুংশিং মরক্তা চংপা ঙমদনা খাংপোকশংসিদা নোং থুপলম্বনি । দাদা অসিস্থ নোং থুপলম্বনি ।

চন্দ্রহাস :— ঙাইহাক্তং নোং থুপমিন্নবদা থম্মোইদা থম্মোই থুপনগ্রে নংত্রা ?

মধুমতি :— মাম !

চন্দ্রহাস :— অদু নংত্রবদবু শকথ-দবা পাখং অসিনা নঙোন্দা করিগী লুপা পিক্কম থোকই ?

রনজিং := খুরা, ঐনা মধুমতিদা লুপা লৌ হাযজবদি ... . ।

চন্দ্রহাস :— খংলে ইবুংঙো, ইবুংঙোনা হায়গদৌরিবা রাদো খুরা লোইনা খংলে । লুপাবু কেক্তা পিবা যাবরা ? লুপাসিবু চেজেংলা, উনারো ? ইবুংঙোনা পুকচেল কয়াম চাগুরদনা মিং তাংলবি ইমে সিন লুপা পিগদৌরিবনো ?

রনজিং :— খুরা ! ... . ।

চন্দ্রহাস :— ঐখোয়স্থ যামনা ঙাওনা হৌরকপা মী অমনি । মনুংগী ইচেল হোৎত্রাং হোনা উবা জাংনি ।

মধুমতি :— মাম !

চন্দ্রহাস :— কৌরকনু, মামকা —হাযবনা । নংনা নহান মথৈ চানথক্লবা পুশিল্লকক্লিবসি ওক্ত লমচং চংতুনা পুশিল্লকলম্লিবা ওইরে ।

মধুমতি :— মাম (কপ্পা)

চন্দ্রহাস :— তুম্মিন লৈয়ু। ঙসিদি ইমিংনা ইংখোংনা খোংনা থেংনরবনিনা নহাক ঐগীদা লৈবা য়াররোই, নহাক্না চৎনিংবা মফমদা চংশিবা য়ানি।

মধুমতি :— মাম, ঐগী মা অমুক্তা ··· ···।

চন্দ্রহাস ;— নংগী নরা অমুক তাররোই। খংঙবরা, নশক অহু উবদা তুকৎচরে, ঐগীদা চংলক্লনু হায়রিবসিনি।

রনজিৎ :— খুবা, মধুবু লান্না লৌবিগনু।

চন্দ্রহাস :— লৌদে—লৌদে, মানা পামজবা লম্বীদা শেল তানজরম্বনি। মহন্তু ঐনা তুকৎচরুবগী মাতনি। ইবুংঙো, খুরংগী পুন্সি, মাগীদমক্তা য়াম্না রাররে ঙসিদগী মাগী অরাবগী ভার অসে ইবুংঙোনা লৌবাখ্রো। ঐবু মাই শংহনবিরো। হায়রিবসিনি, ঐগী মমদা-কা চংজরকনু।

মধুমতি :— মাম (হিক্না হক্না কপ্পা)

চন্দ্রহাস :— ঙসিদগী নঙ শিখ্রে হায়না লৌরবনি।।

[তাংন তাংন চৎখবগী মতং]

রনজিৎ :— বিধাতাগী অডকপা নোংদমখোলনি! মধু, কপকনু করিগী কপ্পিবনো, কপ্পনু।

মধুমতি :— পুন্সিগী অমত্তা ভাইরবা, চংজফম মামম্ম মাগী পোং লোনখরে। পাঙ্গল শোল্লবা উপাই লৈত্রবী ঐগী চংজফম কদাইদনো দাদা?

রনজিৎ :— মধু, ঐনা মরম ওইদুনা নঙগী মামনা হুনজেক্লম্লবদা

নংবু ঐনা কয়য়া থাদোক্লুনা চংকনি। মুংগুম্না কল্লবা থম্মোই ওইদুনম্ভু করম্বা মাওইনা নংগী ফিভম অসিদা হুনদোক্লুনা চংপা ঙমগনি।

মধুমতি :— দাদা, দাদানা থংবিদে,লাইবকথিবী নচল ঐদি মীনম্ভু শোক্ক পন্নবদা হঙ্গোইরবী, তোল্লবা জাত্তা পোকলবি অমানেনে।

রনজিৎ :— মধু, মতুগী রাদি ঐঙোন্দা করিম্ভু থোইদোক্কে। ঙসিগী জগৎসিদা মতুগী রা করিম্ভু লৈত্রে পুম্নমক ঈশ্বরগী থুৎশেম্নি। পাৎথি কোমথি মরক্তা শাৎপা শিঙে-নম্ভু তাইবং মপুগী খুম্না য়োনবি। নংবু ঙাক শেন-বগী থৌদাং অমা ঙসিদগী ঐনা ফংলিবসি ঐগী পুন্সিদা ঈশ্বরগী অনৌবা চাংয়েং অমনি। ঐনা রাশক্তুনা হায়রি, পুন্সি অসি নংগীদমক্তা কথোক্লগনি।

মধুমতি :— দাদা ···।

রনজিৎ :— (রাখল অমদগী নোকলগা) হা ·· হা ··· হা ···
ঙসি অমুক কদোমদগী হুমলক্লিবা রাখল নুংশিৎনো!

মধুমতি :— দাদা।

রনজিৎ :— হায়যু মধু।

মধুমতি :— দাদাগী রায়বা পুন্সিদা ঐমা অমুক ··· ···।

রনজিৎ :— মধু, মতুগীদমক্তা করিম্ভু থল্লুনু। নংগী মিৎস্থু লা-য়েংনবা ঐনা থৌরাং তৌগনি। থাক্কবগা লোইননা ঈশ্বরদা ভক্তি লৈয়ু। শোযদনা নংগী নমিৎ উগনি।

মধুমতি :— দাদা, ঈশ্বরগী কৃপা লৈবরদি ঐগী মাংগ্রবা নিংথিজবা খুৎশেম উরনিকো। অদুগা দাদা নংবুস্থ্ ঐনা ... ...।

রনজিৎ :— শোইদনা উগনি। মতমদুদা ঐনা কয়াগী মতিক মুং-চাইজগনি, হরাওজগনি।

মধুমতি :— দাদা!

—: (ফ্লাস্ বেক্ লোয়বা) :—

রনজিৎ :— শরৎবাবু, অস্তুন্না নুমিৎ অদুদগী হৌরদুনা ঐগী রারবা পুন্সি অসিগী শরুক য়াবি অমা মধুনা ওইরকখি। হৌজিক ঐনা খনজরিবা হায়বদু মরাইবক থিরবী নুপি-মচাসিগী মাংগ্রবা উবগী পাঙ্গল অসি অমুক হন্না করম্না ফংগদগে অসিনি। ডাক্তর বাবুনা অমুক্তা উপাই তৌবিয়ু।

শরৎ :— ফনি রনজিৎ বাবু। নুপিমচাদু ডাক্তর খানাদা অমুক্তা পুবিরকউ-মাগী মমিৎ অদুগী ফিভম অমুক্তা য়েংজখিগে।

রনজিৎ :— ফনি—।

শরৎ :— নত্রগা ঐ হযেংলা করিনো বাবুগীদা কোইথোকচরকে কৃইরবা অনাবনিনা হাযফেক্তং য়েংলগা করম্বা মওংগী ট্রিটমেন্ট চংথগদগে হাযবদু অদুম খংবা ভম্বস্থ্ য়াই।

রনজিৎ :— মদুদি ঐগী লাইবক ফবনি।

মাধবী :— ইবুংগো, চা ফান্নু।

রনজিৎ :— করিনো, ইমা-ইবেম্মনা ... ...।

মাধবি :— মখোয় লোইনা তুম্না-হিপনখ্রে । কাল্লু ।
শরৎ :— চা ফানবিয়ু ।
রনজিৎ :— ফনি ।
শরৎ :— রনজিৎ বাবু ঐস্থু বাবুগা উননিংবা রাফম অমা লৈরম্বনি ওসি বাবুনা লেংঙকপা তান য়াম্না চারে ।
রনজিৎ :— হায়বিয়ু করম্বা রাফমনো ?
শরৎ :— বাবুনা নোংমা শকখিবা, ঐনা টেপ লৌজখৈবা ঈশৈদু নেশনেল সাউণ্ড ইকোনা রেকোর্ড লৌগে হায়রি। অদুনা য়ামদ্রবদা ঈশৈ অমা অনিদংগা খোরাং তৌবিবা তারে পিফম থোকপা রোযোলটি মরাইনা পিজগনি ।
রনজিৎ :— মতুগী রাদি করিস্ত লৈতে, ময়ামনা নিংচং শনদোকপিবদি এগী লাইবক ফবনি ।
শরৎ :— অদুদি ঈশৈ খোরাং তৌবিরোকো ।
রনজিৎ :— ফনি । অদুগা বাবুনা ঐখোইদা লাকপিগনি হায়বদুনা কৈদাদৈ ··· ?
শরৎ :— আ ·· ··· হযেং শোইদনা লাকচরগে ।
রনজিৎ :— করম্বা মতমদা ?
শরৎ :— নুমদাংবাই আফসগী কুনরুগা ।
রনজিৎ :— ফনি ।অদুদি ঐ চংচরগে ।
শরৎ :— লেংঙো, ঐ থিনদোকচদরে ।
রনজিৎ :— য়ারে, য়ারে নৈবিহোরো । (থোং হাংদোকপগী মখোল)
শরৎ :— লেংঙোকো (থোং থিংজিনবগী মখোল)

—: মিউজিক :—

রনজিৎকী য়ুম

[যন্ত্রগী মুংশিল্লবা অমাবা মখোল তারি]

মধুমতি :— দাদা রনজিৎকী থম্মোই অসিবু করম্বা লাইনা শায়কপা ওইরিগবা। শেংলবা পুকচেল অমদি মাংলবা থম্মোইনা মাগী ওইবা, মহাক্না ঐবু লুনা চান্না তোৎবিরিবা অসিগুম্বা হেক পোকমিন্নবা ইবুং ইপ্রামক্না তৌবিরমগদবা ! মী পুম্নমক্না শোক্ন পন্নবদা হঙ্গোইরবা তোল্লবা শাগৈ জাংতা পোক্লবী ঐবু অমুক নুংশিবিবকো ! থুম্লবা মন্নাইহৈতনা মাগী ওইবা, মাগী মশক মতৌ অসিনা কয়াগী মতিক নিংখিজরিগবা ! অদুবু লাইবকথিবী ওইবনা উবা ফংদ্রেদকো !

ওস্তোক্না উনিংঙ্গ্রেদা ; হে ঈশ্বর ! দাদা অসিগী মশক মতৌ অসি মিংনা কুপ্পমুক্না ওইরবস্থু উজবা ওস্বগী পাঙ্গল পিনবীয়ুবা ! অদুদগীদি পুন্সিচুপ্পা তাংগে হায়রবস্থু তাংহনবিয়ু। কনানো, দাদারা ?

রনজিৎ :— মানি মধু। নত্তে, মধু ঐনা লাকপা নত্ত করম্বা খংজি ?

মধুমতি :— দাদানা লাকপবু ঐনা করিগী খঙদনি।

রনজিৎ :— করম্বা ?

মধুমতি :— উবা ফংব ওমত্রবস্থু মী অমা লাকপগী শউম্ তাননবগী পাঙ্গলদি লৈরিদনা।

রনজিৎ :— চুম্মী, অহুবু ঐনি করম্না খঙবগে হায়বা ?

মধুমতি :— দাদা মী খুদিংমক শক খেংনবগুম খোঙথাংগী শাউমস্থু মায়দবনি দাদা ··· ···· ।

রনজিৎ :— অদুদি। নঙ য়াম্না শিংঙিনা।

মধুমতি :— দাদাগী শাউমবু ঐনা খংদবা হৌনবরাও ? নত্তে, দাদাবু কদাইদা চৎলুবগে ?

রনজিৎ :— হৌজিক নঙগী মিৎ অহু য়েংবা ডাক্তর লাক্লগনি।

মধুমতি :— ঐগী মিৎ অসি য়েংবা ডাক্তর লাকনি হায়বা।

রনজিৎ :— :—য়েৌবু য়েৌবক্লগনি, মতম অসি ওইশিল্লক্লে। মঙগী নফি নরোল লৈরক্লে, শে, শেৎচিল্লুরো ।

মধুমতি :— করি ! — করিগী ফিনো ?

রনজিৎ :— নংগী ফনেকা. — ফি মতুপকানি ।

মধুমতি :— (হায়কেৎ নোক্লগা) দাদানা মহুবু লৈরক্লিবা ?

রনজিৎ :— কৈদোই ··· ··· ?

মধুমতি :— মীনা নোক্লদরা ·· ?

রনজিৎ :— করিগী ···· ?

মধুমতি :— ইকাইদরা ·· ?

রনজিৎ :— অহনবা ফিবু করি দোষ লৈবগে ? শে, ডাক্তর লাক্লনি, হোংদোকলুরো ।

মধুমতি :— (চংনা চংনা) কৈদোনা লৈরক্লিবমো শেল তিংনবা।

[মতমসিদা হরা কার দাংপগী মখোল]

রনজিৎ :— কনানো, ডাক্তরনিমা ! মধু, ডাক্তর লাকলে পরপ,

পরপ লোইশিল্লো। লেংশিনবিরকউ ডাক্তরবাবু।

শরৎ :— রনজিৎ বাবু, খরা থেংদোকপ্রে।

রনজিৎ :— লেংঙকলিবসি লাইবকক্ষবনি। চেয়ারদা লেংশিনবিয়ু।

শরৎ :— ইবেম্মহুদি কদাই ?

রনজিৎ :— লৈ, কৌথোকচগে। মধু ! মধু ! লাও থোরকউ।

মধুমতি :— (থোরক্ থোরক্লা) লাকএ দাদা।

রনজিৎ :— চঙকউ লাও; শে, মোরাসিদা ফম্মু; ডাক্তর নমাংদ লৈরে।

শরৎ :— য়ারে, য়ারে। মাইহু খজিক্তা হাইগংলু ইবেম্মা।

রনজিৎ :— ডাক্তরবাবু, য়েংবিরম্মু. ঐ চা অমুক্তা ··· ···।

শরৎ :— নত্তে, রনজিৎবাবু তৌরুরম্মু, ঐ চৎলগদবনি।

রনজিৎ :— নত্তে লোনগদবা নত্তে, হোতেলসিদগীনি।

শরৎ :— য়াম্না থুনা চৎতবা য়াদবা থবক লৈরহুনা তৌবনি। তঙাইফদবগী লাক্লবনি, নোংমা থক্লগে। রনজিৎ, ইবেম্মগী ফিভম অসি থঙলে। ম্মারে, ইবেম্মা।

রনজিৎ :— মধু চংঙ্গো ইমুংদা। মঙগী তৌগদবা তৌরুরো। চংলো — চংলো — ইমুংদা —।

{ মধুমতি চংখিবনী মতং }

শরৎ :— রনজিৎ বাবু ···।

রনজিৎ :— হায়বিয়ু ··· ···।

শরৎ :— ইবেম্মগী মিৎ অসি চহি তরেৎ নিপালরোম লায়েংদনা লাকপসিদা ফিভম য়াম্না লুরে।

রনজিৎ :— হায়রিবসিবু ... ... ।

শরৎ :— ঐনা হায়ফেৎ অদুম খংলে; ইবেম্মগী মিৎ অসি ফগৎনিঙাই আশা অমত্তা লৈত্রে; মাগী মিৎ অমিমক কান্নদ্রবা পোৎশক ওইরে ।

ওপরেসন ফনা তৌতুনস্থ করিমত্তা কান্নবা ফংলরোই, ভেরি শোরি !

রনজিৎ :— অদুদি ... ... ।

শরৎ :— অদুবু নিংবদি কাইবিগনু রনজিৎবাবু, ঐনা ফাদর এদভাইস তৌগদবা হায়ববু কনাগুম্বা পুকচেল চাওবা চাওবী মীওইনা আহ দোনেট তৌরক্লুনা অনোবা মিৎ হোংদোকপা ঙম্নবদি ইবেম্মগী মিৎ অসি উবা ঙমগনি। অসি মঙাইরে। করে, রনজিৎ ঐ চৎগ্রগে। নোংমা অমুক রারি তৌখিসি ।

রনজিৎ :— ফনি লেংবিরো। লেংথোক্লসি ।

শরৎ :— য়ারে লৈবিহৌরো।

(হবা কার ষ্টার্ট তৌদুনা চৎখিবী মখোল)

রনজিৎ :— ওপেরেসন ফনা তৌতুনস্থ মধুগী মিৎ উবা ঙম্নরোই হায়বা ! মিংকুপ অমা ফাওবা নোকচবা ফংদনা মপুন্সিচুপ্পা কপতুনা লেপ্পগদবা !

মধুমতি :— দাদা (মনুংদগী)

রনজিৎ :— মধু, করিনো ?

[ইমুংদগী থোরকপগা লোইননা]

মধুমতি :— দাদা, ডাক্তর চৎগ্রবরা ?

রনজিৎ :— চংখ্রে ।

মধুমতি :— ডাক্তরনা করি হায়রন্নবগে – ? ঐগী মিৎ অসি ফজনবা ঙমগনি হায়রম্বরা ?

রনজিৎ :— উন, — হায়রম্মে, হাযরম্মে মধু ··· ···।

মধুমতি :— (হরাওনা) ঐ মিৎ উরগদবা ! সংসারগী ফজবা খুৎশেম হৈপাল, লৈপাল, শংবানবা অতিযা, মিংকী নিংথিজবা কৈম্মে পুন্নমক উবা ফংলগদবা !

রনজিৎ :— মধুমতি ! ·· ।

মধুমতি :— (হরাওনা) দাদা, শেংলবা পুকচেলনা, রাংলবা থম্মোই-না নহাক্কী ওইবা, — অদুগুম্বা দাদাগী শকযম অমুক্তং উজনিংবা, ঐগী মতম কুইনগী আশা, মতম কুইনগী লাইনিং অদো মপুং ফাবা তারবা !

রনজিৎ :– মধমতি !

মধুমতি :— দাদা নহাক অসে লাইবকথিবি ঐগী অমত্তা চাইরবা অনিশুবা ঈশ্বরনি। তাংলবা মিৎপু অমুক উহনবিত্তুনা অনৌবা পুন্সি অমা পিবিগদৌরিবা নহাক্কী লমন মপোক মপোক থুদিংদা তোল্লগদবনি। দাদ', মিনাই মুপীগী পান্দমগুম সেবা তেংতুনা দাদাগী কমল শিংজগেকো দাদা !

—:(মিউজিক):—

ডাক্তর খানাগী কা অমা

শরৎ :— মধুমতি !

মধুমতি :— ডাক্তর বাবু — ।

শরৎ :— নংনা অনৌবা মিৎ ফংহনা অনৌবা পুন্সি অমা ফংগদৌরিবসি কনাগুম্বা পুকচেল চাওবা মী অমনা নংগী মিংদা মিং দান তৌরিবকপনি ।

মধুমতি :— অদুদি ডাক্তর বাবু, পুকচেল চাওরবা মহাক অদুদি মপুন্সি চুম্মা …. .. . ।

শরৎ :— মমতুনা নৌবগনি; নাগী অচানবা শরুক অদু নঙোন্দা পিথোক্লবনি ।

মধুমতি :— অদুগা ডাক্তর বাবু, ডাক্তরখানা অসিদা ঐগী ইনাক্তা দাদা রুনাঙ্কিংনা অমুক লাক্লবা করিগীনো ?

শরৎ :— নহাক নঙবু পিক্লরম্নগী অমুক লাকখিদে । অদুগা মানা সিন্নদ হৌরম্বা, — করিগুম্বা নোংমা, নিনি মানা লাকখিদি অচৌবী ভার পুম্নমক ঐবু লোয়রা থাদু- রম্মী, ডাক্তরংনগী পিকপ থোকপা শেল থুম পুম্নমক মানা সিন্নদিং হৌরম্বা । মচাক শোয়দনা লাক্লনা ।

মধুমতি :— কদানি শুক্রবাগে দদানা লাকখিদবা ?

শরৎ :— ঙসি তারংনি নিপ নানি শুরে ।

মাগীদমক্তা খল্লুরগনু । শে, বেন্দেজ লোথোকপা কোইরে, নামিৎ অদো তপ্পা তপ্পা, পাংথোক্ও, হো, — হো — পাংথোকউ ।

মধুমতি (হুরাঙনা তানিকপা খোম্জেনলনা) ডাক্তর বাবু, ঐ সিং উরে; ডাক্তর বাবু ঐ পুন্নমক উবা ফংজরে, ডাক্তর বাবুস্থ উজবা ফংলে; অমোবা পুন্সি সংজরে (তানিকপা অরাবা খোনকমনা) ডাক্তর বাবু, নঙগী থৌজালদগী পুন্নমাক্ত উবা ফংরে, অদুবু ঐগী দাদা হনজিংপুদি উসি উবা ফংজররে। ডাক্তরবাবু, দাদা মাবু উজবা ফংদ্রেবদা ঐগী সিং এসে অরেম্বনি, অরেম্বা — —।

শরৎ :— মধু, নঙগী কিজনবিনা অদুগুম্বা স্তুংজাইতবা রাখল হননা [illegible]। [illegible] দাদাদো লোইদনা লাক্নি। নত্ত কাপ্পু খল্লুবু।

মধু :— ডাক্তর বাবু, [illegible] চানবিবগী [illegible] ঐগী [illegible] [illegible], ঐগীদাদা [illegible] উংনবা [illegible]।

শরৎ :— মধু [illegible], নঙগীদাদা [illegible] উসি [illegible] [illegible] ডাক্তরখানা [illegible] [illegible] ?

মধুমতি :— [illegible] বাবু ঐদি [illegible] পাতংপা মচা অমনি, দাদা [illegible] হৌবা মেংবদা ঐগী কনা উজদ্রবনি।

শরৎ :— ফরে, [illegible] — নঙগী দাদা লাকদ্রব্বা [illegible] নহাক ঐগী [illegible] [illegible] তারে।

মধুমতি :— ডাক্তর বাবুগী মুন্দা — ?

শরৎ := কদি — তৌই ?

মধুমতি :— ডাক্তর বাবুগী চানবীবা ম্বাহৈ অদো ঐগীদি কয়াদা লাইবক ফবনো — করম্বা লাইনবু ঐগী লাইবক্তা তম্বীয়মগদগে ? অদুবু অমুক লোংলুহনা করি তৌরক্নি, লাইবক থীবি নচল ঐদি মীনা শোক্লা পম্লবদা হুন্দোয় তুকৎচরবী অতোনবা জাংতা পোক্ল-বীনি ডাক্তর বাবু ।

শরৎ :— (শোক্লগা) মধু, মং অসি কনানো হায়বহু ঐনা হান্না লোইনা খঙলবনি । সংসারসিদা কনানা অতোনবা, কনানা অচোবা, কনানা অশেংবা, — কনানা অমাংবা, ঈশ্বরগী খুংশেম ডাক্তনি । অদুগীস্থু মথক্তা ডাক্তর ঐখোয়গী ইফমদদি অমাং অশেং ম্বাইদে— অচো পিশক থাইদে । মীবু য়োকপা, মীবু কনবনা ডাক্তর ঐখোয়গী ইথোনি ।

মধুমতি — ডাক্তর বাবু !

—:(মিত্তজিক):—

মাধবীগী কা

মাধবী :— (লাওনা) শরৎ ! তারিবরা, ইবুংঙো !

শরৎ :— (কা অমদগী) করিনো ইমা ?

মাধবী :— নঙ অমুক্তা চংঙকখো ।

শরৎ :— (চংঙক চংঙক্লা) করি হায়গে ইমা ?

মাধবী :— ইমা বা হায়রগে, মধুমতিনা ঐখোয়গীসিদা লৈরক্লিবসি থা মরি মঙা হায়ল্লিরক্লে। মহাক অসি অঙাং পিশকখু নংত্রে লৈশাবি মপুং মরৈ কায়বীনি মামা অম্মুম লৈরবদি মীগী মীনোক চংলক্লোইদবা ?

শরৎ :— কয়িগী মীমোকনোনে ইমা ?

মাধবী :— নঙবু ঙাওরবরাও, মধুমতি অসি ঐখোয়গী কনানোনে ?

শরৎ :— ইমা, ঐস্থু মচু খঙই — অদুবু মতম খরদং রনজিৎপু ঙাইখিসি।

মাধবী :— রনজিৎ হায়বদু অমুক ঙাইরুবগী কয়ি অর্থ লৈরিবগে ? ইমানা হায়বদি অসিনি মীগী মীনোক চংঙকত্রিঙেদা ঐখোইনা মাগী মপি মপা শক্তুনা কনাগুম্বা মীশক অমদা থাজ য়োনজখিনবা তৌরসি হায়বনে।

শরৎ :— ইমা; মরাইবক থিরবী মধুমতিগী পুন্সিবু ইমানা মশক মুম্না খংবিদে। পু-পাং মশক খংত্রবী অতোনবা ঙাংতা পোক্রবী মীনা শোক্ক - পম হঙ্গোইরবী মহাকপু কনানা মচা মমৌ ওইনিংগদগে ইমা ?

মাধবী :— করে, নঙনা হৌজিক পামজিবদি কয়িনো ?

শরৎ :— ইমা ঐগী বাদি, রনজিৎনা মধুমতি ঐঙোন্দা শিন্ন-রম্বনিনা ... ... ।

মাধবী :— নঙনা হায়রিবসিবু নঙগী মরুপ মনজিৎ অদুনা নঙোন্দা শিন্নরম্মে অদুনা মধুমতিবু পুন্সিচুম্না ননাক্তা থম্মগে

অসিয়া — ?

শরৎ :— ইমা মাগীদমক্তা কোক শাবিগনু মনজিৎনা মধুগী পুন্সিগী অক-ফত্তগী দাই ঐগোন্দা শিময়য়বনি ।

মাধবী :— মত্তুস্ ইমা করিমত্তা হায়দে । মতগী অহগুম্বা নপুক্লিং অদু ইমানা খংহনদরে । নত্তা য়ানিংলোইদ্রা হায়হনা ইমানা নহালমখৈ হৌদোক্কবনি ঐগীদি মশক মতৌ ফজ্জয়গা ময়ম মোক্লগা লোইরে, শাগৈ জাৎ তোখবা, তোন্দবগী রা ঐগোন্দা লৈতে। তাইবং মী পুম্নমক ঈশ্বরনা শেম্বনি ।

শরৎ :— ইমা ।

মাধবী :— খত্তদে খত্তদে ইমাগীদি হাযম্বিবসিনি মীগী মীনোক চংলকত্রিত্ত মধুমতিবু য়াম্না থুনা থাজ ম্রোনজনবা তৌখিবা নংত্রগা ঐগী ইমৌ গুইবা, মুনা থল্লু ।

—: (মিউজিক) :—

শরৎকী কা

মধুরী অহাবা খোনজেল)

মধুমতি :— থা তকক তরেৎ হাবজিল্লক্লে অহবু দাদা মাগী ই-পাও অমত্তগ ফংবা লৈখিদরে । পুকচেল চাওয়বা দাদা মহাকপু পুন্সিসিদা উজবা ফংদনা তোক্লগদরা ... মহাক্না ঐবু চানমা কাওগ্রবরা ! অদুগা, য়ুন অসিদনা

ঐবু লুহোং খোংদোংনবগী রাত্তা তাংনগ্রে।
করিনো, ঐনা হোৎজিক তৌগদবা ! ঐদি ইমুং অসিগী
কনাস্ত্ত নত্তে অত্তোম্বা লমজানবীনি। মখোয়না হায়বা
ইন্দরে, ঐবু করি হায়খিনি ! — মুম অসি খাদোক্তু বা
চৎসি হায়রে, কদায়দা চৎকনি, কমাগীদা চংলুনি !
হে ঈশ্বর ! পুন্নমকপু কাওবা ঙম্বা পাঙ্গল অদো
তোল্লবী ঐঙোন্দা পিনবিরো।

শরৎ :— মধুমতি ... ।

মধুমতি :— (জ্ঞান তাদনা অরাবা খোনফমদা) ডাক্তর বাবু,
ঐ ঙাওরে, ঐ খনকম থোকত্রে।

শরৎ :— মধু ঐস্তু ঙাওরে ঐস্তু খনকম থোকত্রে। ঐগী
শারিবা কোক অসি ঈংজনবা নংগী নত্তেং ঐনা পাম্মী।

মধুমতি :— ঐ পুন্নমক ঙাবে, ঐ লোইনা খঙলে। ডাক্তরবাবুগী
কোক শাবা ফননবা ঐনা হোৎনজগনি।

শরৎ :— খঙদ্রে মধু, নঙগী অপাম্বনা ঐগী অপাম্বনি, নঙনা
খল্লগা তোরো — অত্তুগা ঐ অসিবু মঙনা শাঙন্নদি
খনগনু। শেংনা হায়ররদা, ঐ অসি মঙ অমদি
রনজিৎকীদমক্তা খন্নদবা মীশক্তি নত্তে।

মধুমতি :— ডাক্তর বাবু !

শরৎ :— অত্তুবু মধু; রনজিৎনা নংগী লাইনকতা ওন্নবা অমা
থোকহনগদৌরি। (তাংন তাংন চৎখিবা)

মধুমতি :— দাদা রনজিৎ! মহাক হন্নদকী মপোকসিদা ঐবু

উহৌরোইদরা ? ঐবু লৌবা লাক্লমোইদরনে, মতম লৈরকতরে — ঐ চংপা তারে। দাদা, ঐবু থারো-গন্নুকো মপোকসিমগীদি নংগী লমল ভোন্দুনা লেমবা তারেদকো। (হিক্ক হিক্ক কপ্পা)

—: মিউজিক :—

খুল্লকী লম্বী

রনজিং :— করি, ঐগী মথুবু মমিং উয়ে হায়বা ! মমিং ভাংলিঙৈ চাকনিবীগী শকতম অমা লৌরিঙৈ ফাওবদা অদুক নিংথিজবী মালা' মমিং উরবা মতমসিদা কয়াগী মতিক পুক্লিং হুনা ফজরিগবা !
(নিংবা কায়রপ্পা) অদুবু ... ভসি ঐদি ... উবগী পাঙ্গল মাংখ্রে, অমম্বনা কুপখ্রে; ঐগী মথুগী নিংথিজবদো উবা ফংলরোই। হা ... হা ... হা থম্মোই ! করিগী কপ্লি, — মাগীদমক্তা কথোকখ্রবা নংত্রো, ভসি চহি অছমগী মতুংদা করিগী পুশিল্লক্লি অমুক নিংঙমদবা য়াথল ! ম নিংথিজবা শক্তম অহু উবা ফংত্রবস্থু, মাগী সুংশিরবা থুল্লবা মরাহৈমা দাদা হায়রমা কৌবদো নাকোংসিমা তাবতদি ফংগনিদনা — । মানা হায়খি, "দাদা, মিনাইস্নুপি অমগী পান্দমগুম পুন্সিগী লমন শিংজগেকো" হায়না।

মতমদুদা ঐনা পাওথুম পিখিদে— পুন্নিংগী আশা কোংদোকখিদে । (অঙাওবগী মীনোক মোক্রগা)
হা হা .. হা .. মীওই চাপ্রবা নভনা কদাইদগী অঙাওবা রাখলনো ! নত্তে, অঙাওবা রাখল করিগী ওইগনি । ঐনা মাবু খম্মোই শেংবা মুংশিজখি, অপাম্বা ফজবদি মাংখিবা য়াই, পুন্নমক কাওথিবা য়াই ...... অদুবু ঐতগী মাতগী থুপ্পবা অশেংবা মুংশিবখি, — খম্মোইগী মুংশিবদি লেংদনা লৈগনি ।

—: (মিত্তজিক) :—

ডাক্তর শরৎকী ড্রোইং রুম

[মীরাম তিনবগী, মুরুম মুরুম রারি শারবগী নিল খোংবা তারি]

নিপা অমা :— শরৎ বাবু ঐখোইগী এদভোকেত শেখরবু য়োরক্তি বরা ?

শরৎ :— শেখর বাবুদি হকচাং ভমত্রে, লাক্লরোই হায়রকই । মাগী মিসেজ তিলোতমাদি লাকনি । ও, গৌতম বাবু লেংশিনবিয়কউ ।

গৌতম :— থরা থেংদোকপ্রে বারোবীগনু ... ।

শরৎ :— চেয়ারদা লেংশিনবিয়ু ।

গৌতম :— ফমি ।

শরৎ :— ও, মিসেজ শেখরসু য়োরকলে; লেংশিনবিয়কউ তিলোতমা দেবী ।

তিলোত্তমা :— কনি ; মধুমতিদি ?

শরৎ :— ইমুংদা অঙাং মকি মযোল শেংপিয়নগনি লেংশিনবিন্থ চেয়াবদা ।

মাধবী :— মধুমতি – !

মধুমতি :— (মনুংদগী) অবোকশি।

মাধবী :— (মনুংদা) ইশুদু মকি মযোল শেংপিবা লোইত্রিবরা। ময়াম লাক্লরমাল্লেনে ।

মধুমতি :— (মনুংদা) হোই, হোই অবোকশি ।
(বা ঙাংনা ঙাংবা থোরকই) সনা মতুমনি, সমা মতুমদি কপ্লোইদবনি । উরবরা ময়াম্না নঙবু ঙাই-রম্লিবসে । ও, তিলোত্তমা, নঙ লাক্লবোইরে ।

তিলোত্তমা :— লাকচরে। ইচাগী বার্থ দে-দবু লাক্তবা য়াবরাও । কদাই ইচাহু ঐ পমগে ।

মধুমতি :— নথোয়গী মবুংঙোদি ।

তিলোত্তমা :— মাদি লাক্লরোই—থবক অকুবা অমা লৈয়ে হায় ।
ঐসু হকচাং ঙমদ ঙমদবা নংনা শাওথিনি হায়তুনা লাক্লবনি ।

শরৎ :— ময়াম পুম্নমক ঐগী নৌনা অহানবা কংজবা ইচানিপাগী চহি অনি ওল্লকপগী মপোক মুমিৎকী উৎসব অসি পাংথোক্লবা তৌজবগে ।

ময়াম :— Happy birthday to you !
Happy birthday to you !

(মরায় খুবাক খুই)

শরৎ :— ময়াম পুম্নমক, লাইট রিফ্রেশমেন্ট থরদং লৌখিনবা অশোমগী কা-সিদা লেংশিনবিরো। ময়াম্না চা-ফুং ফাম্লিভৈদা মেসর্স মেশমেল সাওন্দ ইকোনা হন্দক্তা নৌনা লৌবা রেকোর্ড, কলাকার রনজিৎকী ঈশৈ অমা অনিদং তাহনজগে। মধুমতি —!

মধুমতি :— করি হায়গে ?

শরৎ :— ময়ামগী চান থক্লবা ···।

মধুমতি :— ওসাইনা থোরাং লোইজরে। তিলোত্তমা লাকও চংওসি,

তিলোত্তমা :— মধু, ঐদি ওসাইনা হায়বতুনি। ঐ হকচাং ওমদবনি ঐ করিমত্তা চাররোই।

শরৎ :— গৌতম বাবু লেংশিনবিয়ু। থরদং ······।

গৌতম :— ফনি।

শরৎ :— ইবেম্মা তিলোত্তমা, লেংশিল্লশি।

তিলোত্তমা :— ঐ মধুদস্সু হায়জগ্রে— ঐ হকচাংসি কয়া নুঙাইতে। ঐ ইশৈ নুংমাই তাহুনা লৈজরগে।

শরৎ :— অদুদি ময়ামগী সেবা—নুংবা অমুক্তা ··· ··· ···।

তিলোত্তমা :— ফনি ঐ রেকোর্ড খোংজরক্লগে।

(রেকোর্ডতগী শক্লকপা ঈশৈ)

কদাইদনো লখী চংপা

কদাইদগী লাকপনো নংবু

কদাই তাম্না চংলিবনো।

[ঈশৈ লোইরমবাইদা ঈশৈ অহুমকী মুংশিরবা আলাপ অমা রনজিৎনা লাওরকই ;

[তিলোত্তমানা রেকোর্ড থোংবা লেপ্পা]

তিলোত্তমা :— কনানো !

(রনজিৎ ঈশৈ শকতুনা চংঙকপা)

রনজিৎ নত্রা ! কয়িনো, মানা ওইরক্লিবা ফিভম অসিদি ! মমিং উদবগী মওংনিনা। রনজিৎ !

[রনজিৎ ঈশৈ শকপা লেপ্পা]

রনজিৎ :— কনা ওইরবনো ? অদোম্গী থোনজেল পুন্সিসিদা অমুক তাথিবগুম তৌগ্রে। হায়রিয়ু কনা ওইরবনো ?

তিলোত্তমা :— রনজিৎ, ঐ তিলোত্তমানি।

রনজিৎ :— ও ! তিলোত্তমা নহাক ! থুরুমজরি। নত্তে, য়ুম অসিবু ডাক্তর শরৎগী নৎত্তবরা ?

তিলোত্তমা :— মানি। নত্তে রনজিৎ, নংগী ফিভমসি কয়িনো !

রনজিৎ :— হা ·· হা হা হা অসিনিদনা তিলো, মপাং কায়নরবা লম্বী চংপাগী পুন্সিদি। নত্তে, তিলো নঙ মফম অসিদা ···· ···।

তিলোত্তমা :— ঙসি ডাক্তর শরৎকা মধুমতিগা মথোয় অনিগী নোংনা অহানবা কংজবা মচানিপাগী অনিশুবা চহিগী মপোক কুমিংকী উৎসব পাংথোকলি।

রনজিৎ :— (ঙকপা, খাই লাওবা) কয়ি হায়রবা ! — ডাক্তর শরৎকা মধুমতিগগী অহানবা কংজবা মচানিপা !

তিলোত্তমা :— মানি। অকুপ্পীদমক্তা মত্রাম পুম্নমক লাক্লিবনি।

রনজিৎ :— ও ! (মোকশিন্নদুনা) হা হা হা তিলোত্তমা, চৎলগে।

তিলোত্তমা: — রনজিৎ ওাইখো। ডাক্তর শরৎ অমদি মধুমতিবু উরবিখোদনা ।

রনজিৎ : — মত্তে, নত্তে, ঐ চংলগে, ঐগুম্বা মীওই লানুপ চাদবা শৈ-সাইবা মীওইবু উরগা, মচাগী অক নুংঙাইগী মঙ্গল নিজবা নুমিৎ অসিদা ওমঙ্গল ওইগনি। ঐ চং-চরগে। তিলো, নওনা- ডাক্তর অমদি মধুমতিদা ঐ লাক্রম্মী হায়বসি তাকপিগনু। অদুগা অসিমত্তংদি হায়বিয়ু “কনাগুম্বা মিৎতাংবা লম্বী চংপা অমমা মথোয় অনিগী অহানবা ফংজবা মচানুপাগী অফ-নুংঙাইগী মঙ্গলসীদমক্তা তাইবংপাল মপুম্নী মকমদা প্রার্থনা তৌরম্মী হায়না।” ঐ চংচরগে।

শরৎ :— (অরাপ্পদগী ওাংনা) ইবেম্মা ময়াম্না য়ায়া শা ওনরে ইবেম্মা ওহাক্ত লেংশিনবীরকউ। কনানো, রনজিৎ! ইবেম্মা চংবিরো ।

তিলোত্তমা :— কনি। (চংখিবগী মওং)

শরৎ :— রনজিৎ বাবু !

রনজিৎ :— কনানো ?

শরৎ :— ঐ ডাক্তর শরৎনি ... ... ।

রনজিৎ :— ডাক্তর বাবু ... ... !

শরৎ :— মাখি ।

রনজিৎ :— হা, হা, হা, য়াইফরিদনা ডাক্তর বাবু — ?

শরৎ :— হোই ; অদুবু রনজিৎ, পুন্সিদা মিংঙমদবা অমদি অদুম্মক লোইনবা তারে ।

ব্রজজিৎ :— হায়রিবিরিবস্থু করিনো ?

শরৎ :— ব্রজজিৎ, নঙগী খনবদা—নঙগীদমক্তা— ।

ব্রজজিৎ :— ঐগীদমক্তা । করিগী ? খনবিকগন্থু ঐগী পুন্সিদি মরুপ মপিঙ্গা কয়া শেংনা কাযঅরবা মীওই অমনি । মতুমা করিস্থু থোইদোক্কে, হা ·· হা ··· হা ···হা শরৎ বাবু, ঐনা মতম অমদা মং অমা মংঙ্খি । মদুদি "মধুনা করিগুম্বা মমিং উবা ফংলবদি মাগী মরাইবক অম। শোহদনা হোংগনি" হায়না— । মরমদি লৈখোম লৈনাং মরক্তা শাৎপা শিঙেল থম্বালস্থু করিগুম্বা মতএদা মুংগী ফুরা দোলান মমুংদা লৈতেংগী পোৎশক ওইবা য়াওই । অদুগুম্বা ঐগী মংলান অদো ঙসিদি মংফাওনরে । ঐ মুংঙাইরে, ঐগী লাইনিং মহৈ যারে । ডাক্তর বাবু, মধুমতি উস্ত্রিভৈদো ঐ চৎলগে, ঐবু বিদায় পিনবিরো ।

শরৎ :— নস্তে, ব্রজজিৎ নঙগী য়াখলতনা অথোইবা লাইনিং ওইজরবা মধুবু অমুক্তা উনরমখো । মাগী কায়রবা থম্মোইবু অমুক্তা থেমজিনবিরম্মু ; নত্রবদি মধুমতিদি মপুন্সি চুপ্পা শাস্তি ফংদনা মৈথক্তা থাংহোবা তারে । ঐ মাবু কোথোক্লু রগে ।

ব্রজজিৎ :— নস্তে, নস্তে ডাক্তর বাবু, মধু উনরবদি ঐগী শান্তিগী লম্বীদা অপনবা ওইরগনি ; ঐগী আশা কায়রগনি । নঙনা মঙোন্দা হায়রিবি "নোংমা মুমিং অমদা মাগী

অমম্বা সংসারদা মাগা ঐগাগী অহানবা উনবা – থংনবা ওইখি, ঙসি ঐগী মল্লবা সংসারসিন্দদি মাগা ঐগাগী কায়নবগী যুখল থাদরগদ্বু।"

শরৎ :— রনজিৎ!

রনজিৎ :— চংলগে — শরৎবাবু, নখোইগা ঐগা লম্বী তিন্নদরে। নখোয়না সংসারগী লম্বীদা,–ঐনা কখোকুপাগী লম্বীদা। ডাক্তরবাবু, কবিগুম্বা মতমদা মথুনা ঐগী মরমদা অমুক হংঙকপা থোক্লবদি নঙগী দাদা রনজিৎতি মপাং কনা লৈজদবা লম্বী চংপা ওইবনা মাগী শান্তিগী লম্বীদা পাংথরে হায়বিয়ু।

মধুমতি :— (মনুংদগী) ঐখোয়গী ডাক্তরবু কদাইদা চংশ্রবগে?

(খোয়কপগা লোইননা)

হায়মা, কৈদৌবিরিবগে?

রনজিৎ :— (মতোমতা শোনজবা) মধুগী খোনজেল!

মধুমতি :— (চংশিল্লকপা) চাকনিবত্থনা কব্বি হায়রিবনো?

রনজিৎ :— ঐ চংচরগে।

মধুমতি :— চাকনিবদো থাম্বিখো। ঙাইখো চাকনিবা, কব্বিগী তঙ্গা তঙ্গা চংকদৌরিবনো? ইচাগী অক্লনুংঙাই মঙ্গোল নিগদবা ইচাগী মপোক নুমিত্তা মহাক্না থোংজিন্দা লেপল্লগা কব্বিস্ন পুদনা, কুলি মপুক হাংনা চংশ্রবদি, ইচাগী কব্বি মঙ্গল ওইগনি। নঙগী নকমদা ঙমজবা থরদং কংচখিগে, ইচাগী মঙ্গল পিবিরম্ম।

রনজিৎ :— ইবেম্মা, নহাক্তৈ খোনফম তাবদা ঐগী থম্মোইনা হায়-নিংঙাই লৈত্তনা পেল্লে। ঐনা থম্মোই শেংনা আশির্ব্বাদ তৌরি — মথোইগী নোমা ফংজবা অহানবা পোকচবা মচানিপাদো পুন্সি তোলোইনা পুংঙাই য়াইফনা পান্নুনা অহল লমননী সেবা ফংজবা ওইসনু। ইবেম্মা ঐ চৎচরগে।

মধুমতি :— ভাইখো, নম্নকী নহাক্তৈ খোনফম অসি পুন্সিদা তাখিবগুম্ তৌত্রে। হায়য়ু, করিগুম্বা ম তমদা নডগা ঐগা উনপ্পবরা ?

রনজিৎ :— হা···হা··· হা, য়ুমথোং খুদিং কোইনা চংপা মিংতাংবা ঐনি, উনরমগনি-শোইদনা উনরমগনি। অদুগা ঐ অসে মিং তাংলবসু নহাকী নশক উবা ফংদ্রবসু নহাক্কী খোনজেল অসে ঐগী পুন্সিদসু তাখিবগুম তৌই। চংলগে ইবেম্মা, ঐদি লম্বী চংপা মীনি। ঐনা উনদবা মীওই কম্মা লৈগনি, ঐ চৎচরগে।

মধুমতি :— ভাইরমখো নডগী চামনবসু লোখোকলুগে থরদং চা—থকখো অদুগা ঙমজবা দানসু তৌজখিগে, ইচাবু মঙ্গল পিবিরম্মু লৈরমখোকো।

(তাংনা তাংনা চংখিবগী মতং)

রনজিৎ :— ডাক্তরবাবু, ঐ চৎচরগে খুরুমজরি, মধুমতিদা ঐগী মরমদা হায়দোকপিগনুকো, অসিতনি ঐনা নিজগদবা। ঐদি চংলগে ঐগী লম্বিদা। লৈহৌরো নখোইনা সংসারগী লম্বিদা।

(ইথৈ শক্লা শক্লা চংখিবা)

রনজিংকী ঈশৈ

চা-দ চেক্লা নজুমলাংদ হল্লো
খল্লুরগনু মাগী রাখল
পুক্লরনু মাগী মৈচাক।
পাংমেল খুদিং তোংদুনা
মুংশি কোলোই শক্লম্বদো
নিশিংলুরগনু চেক্লা—চা।
মতমগী নোংলৈ মুংশিংনা
ভুমদোকখ্রে নিংভবা খাংপোক
মুংখরেনে আশাগী থাংমৈ।
লৈতে পম্বুং লম্বীচংপাগী
চংভুনা লৈগমি তাইবংপান্দা
তাইগনি এগী অরোইবা খোংচং।

শরৎ :— নিংবা থুংদ্রবা লাইবক থিরবা মীওই অসে কয়াদা নিং-ভমদনা চংগ্রবনো! শেংলবা পুকচেল চেন্নবা, রাংলবা শম্মোইনা মাগী ওইবা মীওইসু লাইবক থিবা পুন্সি ওইরি। হে ঈশ্বর! মসিনা নঙগী করম্বা মশান্নবো!

মধুমতি :— করিনো, চাকনিবদো চংগ্রবরা?

শরৎ :— চংখরে।

মধুমতি :— চংগ্রবা! ও: খরদং চাজরগা চংগ্রবদি কপদবনি।

শরৎ :— মধু, চাকনিবগী রাসে তোক্লসি,—এই কোক অসি তাওরে। এই শরর কুমগদোরে এই মতা অমা তৌরে মধু।

মধুমতি :— নত্তে মঙনা অসুম্না তৌরিবা করিগীনো ? চাকনিবত্থুম্না করি হায়রম্লবগে ? অসুম্না তৌবদি অমুক্তসু তৌখিদ্রে। শে, হায়বিয়ু।

শরৎ :— মধু, শাংলবা মতম অসে ঐনা মঙগী নকমদা মীনম্বা নমথাক অমা লোইনরক্লি, অদুবু ঙসিদি ঐ অমুক লোৎপা ঙম্মক্তরে। মধু, চাকনিবত্থুগী মপুন্সিদা থোকখিবা অমদি থোক্লিবা থৌদোক কয়াদুগী রারি মঙনা তারবদি নঙস্ম মাগীদমক্তা অমাবা কোংদোক্লমগনি।

মধুমতি :— করিনো নহাক্না হায়বীরিবদো ?

শরৎ :— অচুম্বনি — মহাক অদু কনানো হায়বা মশক খংলম্লবদি মঙগী থম্মোই কাইগনি।

মধুমতি :— করিনো, মঙগী রাদো — অমুক লোৎপীরগনু। ঐ খংনিংবনা লাংতকনরে; চাকনিবা মিৎতাংবদো কনানো ?

শরৎ :— চাকনিবা ·· মিৎতাংবা ··· ···।

মধুমতি :— মহাক অদুনা ঙাংলম্বা মরাইহে খোনক্ষম তারগা ঐগী থম্মোইদা তনিকপা ফাওখি — পুন্সিদা যাগা রারি যাতাই শাখিবগুম্না তৌই। চাকনিবত্থুবু উবগা হায়নিংঙাই লৈতনা সুংশিবা পোকখি। হাযমু. নহাক্না খংলবদি চাকনিবত্থুগী অশেংবা পরিচয় তাকপিযু।

শরৎ :— মধু, নহাক রাম্না খংনিংবরা ?

মধুমতি :— হায়বিয়ু মহাক কনানো ?

শরৎ :— মহাক অদো অতৈ কনাম্নু নত্তে, মঙগী ····।

মধুমতি :— হায়রিবি, করি তৌরে হায়রিবি ?

শরৎ :— মগুনা মতম পুম্নমক্তা শোন্দুনা লৈবা মাগী রাখলভনা নঙগী অথোইবা লাইনিং ওইরিবা মহাকী ··· মহাকী ···।

মধুমতি :— হায়রিবি, — মহাক কনানো ?

শরৎ :— মঙগী রনজিংনি — ।

মধুমতি :— (খাই লাওবা) করি হায়বা ! মহাক অদুবু ঐগী দাদা রনজিংনি হায়বা ! (কপতুনা) দাদা রনজিংনি হায়বা ! ঐনা খনখিবা, ঐনা চিংনখিবা মীবম্বা নৎলমদরেদনা ! মাগী মরাহে খোনফম ভাবদা ঐগী থম্মোইদা তনিকপা পোকখি । ঐগী দাদানা অদুগুম্বা ফিভম ওইখ্রিবা করিগীনো ?

মানা মখিৎ তাংলিবা করিগীনো ?

শরৎ :— নঙগীদমক্তনি মধু ।

মধুমতি :— করি হায়বা, ।ঐগীদমক্তা !

শরৎ :— অচুম্বনি মধু ; নঙনা ঙসি তাইবংপালগী অভানবা শরুক অমুক হুম্না উবা ফংলিবসে মহাকী মপালমনি ।

নঙগী দাদা রনজিংকী রাহে মতুং ইন্না শাংলবা মতম অসে মঙোন্দা ফোংদোক্তবনি ।

মহাকী অনিংবা অপাম্বা মতুংইন্না মাগী মখিৎ অনি অদু ঐনা লৌথোক্লগ নঙোন্দা পিবনি ।

মধুমতি :— (কপতুনা) মদু নহাক্কমথৈ ঐঙোন্দা হায়রিবদবা করিগীনোমে ভাকুর ?

শরৎ :— ৱাফমসি নঙোন্দা কোংদোক্লৱবদি নঙগী দাদাগী অনিংবদি কদাইদগী থুংলগদগে ; মচল অমগীদমক্তা মবুংনা কৎথোক-পনি। মাগী অচামবা শরুক নঙোন্দা পিৱম্বনি, নঙগী অমম্বনা মানা লৌখিবনি।

মধুমতি :— নত্তে, নত্তে মবুংনদি মচলগীদমক্তা পুম্নমক কংথোকপা ঙমলগা, মচল ঐনদি মবুংগীদমক্তা করিগী ঙমলোই, ঐগী মিং অসে লৌথোকপিরো,পামজদরে, পুন্সিচুপ্পা তাংজগ্রগে, লাইবকথিবি ঐগী পুন্সিদি লাইবক খিনা লোমজগ্রশনু ডাক্তরবাবু। (থম্মোই শোক্না কপ্পা)

(যন্ত্রগী নুংশিরবা—অৱাবা খোনজেলদা মধুমতিগী কপ্পগী খোনজেল তিনথরে)।

—:{ * }: —

" কংদ্রোকপা "

ডাক্তর রমেশকী থা

(মুংশিরবা মরাবা মন্ন সঙ্গীত কোৎশিবগা লোইননা)

রমেশ :— (খল্লোই শোকন্ন নিংশিংদনা)

প্রমিলা, অহিং কয়া লেনখীরবি, — বংগা ঐগা মুংতাইবা আশাদ। নংগী লাগগী হৈতেং শিরেন্না আক্রোমগী লৈরাং লৈনরদি মোল্লাংদা চুহুনা লৈরোরি ; অহাকমকনি নিংজক্লুনা মোলাং মাবু মখোইদা চেংনা কোনজহুনা, নহাক কাইনা মৈচাক খাংলিবসি নংদি উাররোই ! পুকনিংগী আশা পুকমুংদা কংথরে, নিংজনা আশাগী লৈরাংদু খাংডুমকতা লৈমন চনরে। প্রতিমা ঐতনা চাংলৈ হংলৈ অহনু নডোন্নাগী পাওথুম অমত্তঙু থংদে। হায়নু, নং কৈদোউরৈ লাকানি, হায়নু—নংগী হুাংলবা মকম অমে কনা লাকনুনা মেনবিরগনি ...।

(মতমসিদা থোংদা কোক কোক শিল্লকপাগী মখোল তাবি)

কনানো ?

গোপাল :— (মপানদগী) ঐনি বাবু।

রমেশ :— গোপালদা ?

গোপাল :— (মপানদগী) মানি ডাক্তর বাবু।

(থোং হাংদোকপাগী মখোল)

রমেস :— (ঙক্লা) কদাইদগী অঙাংনো ? কনাগী মচা মশুনো ?

গোপাল :— খংজদে বাবু। ঐখোয়গী খোংগাল ময়াদা ভুমহনা লৈরম্মী। মশা অসি য়াম্না ঙমদনা উই।

রমেস :— কৈদোব ?

গোপাল :— মশা পুম্বমু উনমুক ইংখরে, ডাক্তর বাবুনা অমুক্তা য়েংশিন্নু।

রমেস :— বেদ অসিদা ফিংথিনা হিপহল্লু, ঐ য়েংগে।

বিনা :— (মপালদা লাংতক্লনা) গোবিন! গোবিন! কদাইদা চৎখরে ঐগী ইচা অসিদি! কনা কনা ঐগী ইচাকা উবিবগে? গোবিন! ... ... গোবিন!

রমেস :— গোপাল, চৎলু — ঐখোযগী থোংগাল অসিরাইদা নুপি অমনা মচা কোত্থনা থিরিবসি কনানো য়েংভু।

বিনা :— (মপালদা কপ্লিং কমিং তৌনা) ঐগী ইচাদো—মুরাইদা লৈহৌবনিনে।

রমেস :— চৎলু গোপাল, মঙনা পুশিল্লক্লিব: অঙাংসে নুপি অসিগী মচা ওইরম্বা য়াই। অমুক্তা হংভু।

গোপাল :— ফনি।

[থোং হাংদোকনা চৎখিবগী মতুং]

বিনা ;— (মপানদা) গোবিন! গোবিন।

গোপাল :— (মপালদা) ইবেম্মা।

বিনা :— (মপালদা) ঐবু ওইরত্রা ?

গোপাল : - (মপালদা) মাখি, অঙাং অম। ঐনা পুশিন্দুনা ইমুংদা

লৈহৌই, মশা কয়া ওমদনা উই। ঐখোয়গী ডাক্তরনা য়েংহৌরি।

বিনা :— (মপালদা) হা ! তাদ, ইমুংশিদয়া ?

গোপাল :— (মপালদা) চৎলু, চৎলু - নচাহু মানত্রা য়েংঙু । চংঙু চংঙু ইমুংদা।

রমেস :— চংলকউ, চংলকউ ইবেম্মা—।

বিনা :— (চংলকপগা লোইননা) গোবিন, ইমাগী ইরুংডো।

রমেস :— মডগী নচারনে ইবেম্মা ?

বিনা :— মানি; ইচাসি করি তৌরবগে ?

গোপাল : - ইবেম্মা নুংশাথিনু। ঐখোয়গী ডাক্তরবাবুনা ফননবা মরাইনা শোইদনা য়েংজগনি ।

রমেস :— ইবেম্মা, ঐনা নচাসি মুম্না য়েংলবনি। করিস্থু নুংশা থিনিংডাই লৈতে। অডাং অসি নয়ুমদা পরপ পরপ পুরো, মশা পুম্বা অসি অমুক্তা শাহল্লু । অদুগা ঐ হিদাক খরা পিগে।

(উপু হাংবগী মখোল)

অডাং অসে মশা য়াম্না শোনখ্রে, মপূকস্থ ইহাপ হাপ্লে মশা পুম্বা উনমুক ইংখ্রে ।

(বিনা হিক্কা হিক্কা কপ্লি)

অদুগা য়ুমদা চৎলগা মপূক অসি খরা য়াওনবা পিজ পিথক খরা তৌরগা হিদাক অসি ... (বিনানা থম্মোয় শোক্না কপ্পহু উবদা) করিগী কপ্লিবনো ইবেম্মা ? হায়য়ু লৌথুপ লোকোই লৈগনু, হায়য়ু।

বিমলা :— (হাম্না কিংবা কাইমা,—হায়নিঙ্গনা।)
ডাক্তরবাবু ইচা অসি পুরগা চংকন্না খুংকম লৈজরবী
লাইবক থিরবী ঐনি (কপ্পা)।

রমেশ :— ও,—থংলো। অ-হু-রি—গোপাল,

গোপাল :— ভাকপিয়ু।—

রমেস :— চংলু, অর্থাৎ অসি হাম্না অমুকতা মশা পূম্বা শাংল্লবা
তৌক।

গোপাল :— ফনি।

রমেস :— অদুগা শংগোম গ্লাস অমতং গুপ্‌কোক্ত হাপ্লগা
পিথকবা তৌক; হিদাক কোননা পিজসি—চংলো,
চংলো।

গোপাল :— ফনি। (চংখিবগী মতং)

বিমলা :— ডাক্তর বাবু ইচা অসিদু হাম্না কানপ্পা করিমত্তা ঙাংদে,
মখিৎ, মরা ইকুকুথনা উমদু করিম্ব থোইদোকপা
তৌরোইগ্রা ?

রমেন :— করিম্ব তৌরোই, ঐনা শুংশা থিন্নু হায়রেদনা।
(থরা লাওনা) গোপাল! অতাংদু শঙ্গোম থরা থুনা
পিথকউ। নত্তে ইবেম্মা নঙবু করি লৈকাইদগীনো ?

বিমলা :— ঐ সহর থাইদগী নংচদে। আ—খুঙ্গংগী মচি অমদগী
লাকচবনি।

রমেন :— খুঙ্গংদগী !

বিমলা :— হোই।

রমেস :— মিংদি কম্রি কৌবিবগে ?

বিনা :— বিনা কৌই।

রমেস :— বিনা! (রাখল অমদগী শোনবা ওইনা)। মিংদি মায়দে, অদুখু শকতি মানখ্রেদা।

বিনা :— কৈদোবা ?

রমেস :— হায়দে, চুম্না রাখল অমা। নত্ত্রে, অদুক নহা ওইরিবি ইবেম্মনা খুঙ্গং থাদোক্তুনা লাকপগী মরমদি ?

বিনা :— থাদোক্তবা য়াদবা মতাং কয়া লাকপদগী পিক্লিবা ইচাসিগা লোইননা সহর অসিদা হিংনবগী লম্বি অমা থিজরকপনি।

রমেস :— ইবেম্মগীনি হায়বা কনা অমত্তা লৈত্রবরা ?

বিনা :— ইমা ইচাখীনি হায়বা হন্না রেংবদা কনা উজদ্রবিনি।

রমেস :— সহরসিদদি ইবেম্মগী মরিমতা থংনা চানবা মরুপ মপাংকথাদি লৈখিবরা ?

বিনা :— মতুম্ন লৈজদে।

রমেস :— অদুদি ....।

বিনা :— (থম্মোই তনিক তনিক্না অরাবা থোনখোক্না) ডাক্তর বাবু কনা লৈজদ্রবি ঐগুম্বী অমনা পিক্লিবা ইচা অসিগা লোইননা সহর অসি তাম্না করিগীদমক্তা লাকলিবা,— মদুগী বারিদি য়াম্না শাংব্রে।

রমেস :— থোইদোকপা অকাইবা লৈত্রবদি হৌখিবা পুন্সিগী বারিদো ঐম্ভ অমুক্তা তাহল্লদনা।

বিনা ঃ— ঐগী পুন্সিগী ৱারি তারগা ডাক্তর বাবুগী করি কায়গদগে ?

রমেস ঃ— ডাক্তরগী ধর্ম্মদি ডাক্তরগী মথৌদি জীবব্ য়োকপা, জীবব্ কনবিবনি। ঐনা ভমজবা নত্তেং পাংগনিদনা।

বিনা ঃ— ডাক্তরবাবু …।

রমেস ঃ— হঙ্গোয়গনু ; তাগে লিয়ু।

বিনা ঃ— (পুক্লিং হুরবা মুংশিরবা যন্ত্রগী খোনজেল তারকই ; তনিকপা খোনজেলনা থম্মোই শোক্না বিনানা ৱারি লিরকই)।

ঐ অসি লৌমী মচা অমনি, নৌনা ইপুরোইবা কাইনরে, লুপ্রাবী ওইরে — মীভোন্দগী পু-লঙচুনা ইপুরোইবগী কর্ম্ম পাংথোকথরে কর্ম্ম মতুং চহি ওনদ্রিবেদা মহাজন লাক্কুনা থোংজিন্দা লেপ্লরে। লৈখিদ্রবা ইকু ইমেমগী শ্রাদ্ধ কর্ম্মদা অভাংগী মপানা পুশিলম্বা শেলয়ুমগীদমক্ত লৌরি ইংখোল থাদোক্কুনা চৎনবা হায়রম্মী। অহুদগীদি ঐ অসি ইয়ুম ইংখোল লিংদবী লম্বাগী চাক্লিবী অমা ওইরম্মী। (কপ্পা)

রমেস ঃ— অহুদগীদি …… ?

বিনা ঃ— ঐবু পোকপা বাজি অমসুং ইমা লৈখিদরে, ইমাগা পোকমিন্নবা মাম অমতং লৈ, মিংনা কাহাই কৌই, ইমা ইচাগী পুান্স মাগী মরুমদা থুপ্পা তারম্মী ; অদুবু লাইবকথিবদি, ঐগী অমতা ভাইরবা চংজফম মাম অহুম্ব ওক্কবদা থম থেংলবা নেশা চাবা মীওই অমা ওইরম্রে।

ময়েস :— ক্য়ে, মামদুগী যুম থাদোক্তনা লাকপগী মরমদি ?
বিমা :— মরম ? মদুগী মরমস্তু থংবিনিংবরা ?
ময়েস :— ইবেম্মা, ঝারিবু লিবা হৌবিরগা লমথাংদা লেপপ্রবদি অতাবা মীনা করি নুংঙাইগনি, তাহনবিবগী তাহনবিবা ঐবু মপূং ফানা তাহনবিরো।
বিনা :— তাবিরো।

—: (ক্লাস বেক) :—

বিমা :— (অরাপ্পদগী) গোবিন ! নিপামচা, নঙবু করি তৌরিবগে ? লাইরিক অতু নখোল থোক্না পাও হায়বনি।
গোবিন :— (লাইরিক পাবা) অঙাং নরা ওইরিবা
তাইবং মশক থংদ্রিবা
পিক্লিবা থরায় মহাক্তি
অমোংপা লৈখোমগী মতৌনি।
ফজনা শারে নিংথিনি
থিনা শেমলে মাংজনি
অঙাং নঙদি থংদেদো
অস্তুক লুবা তানফমসে।
নঙনা হয়েং চাওরগা
চাওর য়াংগোল কায়গা
পম্বো শারেপ তাল্লগা
থোম্মাং লমমন থামকরোই।

বিনা :— (অরাপ্পদগী) অড়ুনিদনা—!

গোবিন :— (লাইরিক পাবা) নোকউ নোকউ নোকউ অঙাংশা
লাপত্রে মতম ননাক্ত লৈরে

সংসার ইপাক তোর্ব্বান্দা
কল্লক ইথক হৈরে মায়োক্লবদা
নরা ওইরিবৈদা নোক-খেবাগী
ফংগনি মহৈ মমশিনগনি মাইথোং।

কাহ্নাই :— (ক্রো কৌড়ুদুনা চংলকপা) গোবিন! গোবিন!
হায়, কৈদৌরিবগে নংবো?

গোবিন :— ঐ লাইরিক ওরাইরিয়ে—ইথৌ।

কাহ্নাই :— যেংঙোই, ইথৌ রা হায়গে। নং মখারোমগী তোঙাল
হোয়গী য়ুম খংইদনা, নংনা চৎলুবা ইমুংদো?

গোবিন :— খংই।

কাহ্নাই :— সে, লিকলিসি পুথো—হিদাক পরা অঙুমদংগা
গীরকথো হায়রু।

গোবিন :— পাড়া ফাড্রিয়ে ইথৌ। ....

কাহ্নাই :— হায়, হল্লক্লগা পাও হায়বা।

গোবিন :— নহালস্থু নংনা য়ু লৌক্লচো হায়ড়ুনা চৎলুবদা মখোয়গী
হুইয়ামড়ুনা চিককে তাল্লকপদগী কিড়ুনা চেল্লকপদা
তুশিন্দুনা খুকউকাসি ইতৎ তংতুনা, ঈ থোকখি।
ইমানস্থু মতুং অমুক চৎপা য়াদে হায়য়ে, ঐ ঙম-
লোই ইথৌ।

কাহ্নাই :— (খুবাক্না থাবা) খঙব্রা? নমানা য়াগে য়ারোই, য়ারোই তোকউ, ঐনা হায়বা থবকপু নংগুম্বনা ইন্দবা ঙমগদ্রা? হৌজিক ফাওবা চৎত্রিনহে ননাদু কোইদৎলুরা—নং।

গোবিন :— (কপমা কপনা) পৈশাদি বদাই?

কাহ্নাই :— কোম্না পিগে হায়য়ু।

গোবিন :— নহানস্ু পৈশা পুরকত্রবদি লৌরুচো হাযদুনা চৈ-রকই, পৈশাস্ু য়াওদনা ……।

(ভাংন ভাংন চৎখিবগী মওং)

কাহ্নাই :— হায়, হায়। লিকলিকা কাই লাকনিকো, নিংখিনা চৎলু—লম্বীদা শাম্নদুনা লৈথোকলবদি নখোঙ থুদেক্কদবনি।

বিনা :— (মচাবু কৌ-কৌদুনা থোরকপগী মওং)
গোবিন! গোবিন!

কাহ্নাই :— ভৌরক্লগদবনি,—শক্ অসিস্ু—।

বিনা :— মামা, গোবিননা চৎখ্রিবসি কদাইদনো?

কাহ্নাই :— ঐনা খবক থাখিবনি; করিগীনো?

বিনা :— মাদি লাইরিক পাজরিবনি চাক লামলেস্ু হায়রম্বনি। থবক অদু ঐঙোন্দা হায়বিরবদি ফগদবা……।

কাহ্নাই :— মু লৌবু নং চৎকেরাও? করি কানদবদা।

বিনা :— পিকলিবা অঙাং অদুবু ফত্তবা থবক্তা হৈনহনখিবা চুমত্রনে মামা?

কাহ্নাই :— (শাওনা) বিনা ! নঙ ঐগোম্না অচুম অমান ত্তাকপা লাকলিব্রা ? ··· পিদং পাতংপা নঙনস্থু ঐগী ইথক্তা নচিন থিরদনা — হায়, - নচাদি লাইরম্হূনা ঐনা হায়বা হেক ইন্দবদা নঙগী পুন্সি ফাওবা মাংহনগদবনি খঙ্ঙু।

বিনা : মামা !

কাহ্নাই : - চৎত্রো চৎল্লু—নপ্পকতু য়েংনিংদে।

বিনা :— (কপতুনা) অদুবু ঐ অসি মমানিবে মমা (চংখিবা)

কাহ্নাই :— (লোল্লপনা) গোবিন পুরক্লবরা ? ···

গোবিন :— খে সিদা লৈরে। ওসিগীসিগা থারগা পুন্না লুপা য়াংখৈ ত্তকে হায়বনি, হয়েং মানা লাকপদা শৈপা ত্তনা পিদ্রম্ম য়াদে হায়বনি।

(রা তাংনা তাংনা চৎখিবগী মতং)

কাহ্নাই :— হাই, মং কদায়দনো ?

গোবিন :— লাইরিক ঐরাইরুগে তৌবনি।

কাহ্নাই :— করি লাইরিক না ? পাবকান্দা পারগা লোইরেদনা — ফেরী চম্নগে মৈক্তাল্প অমা পুরকউ, পুরক্লবরা ?

গোবিন :— শিদা লৈরে ইথো।

কাহ্নাই :— ইহে, —মুংত্রেল্ল হান্নু। খে ফুন্সাগী মৈক্তালদুদা কেবিস্থ চনলকউ। হন্দকমুক মুংহল্লবদিনে খুম্মাক চারে। চিং-চিংদুনা পুরকউ, চংলু থুনা ল্লাকউ।

বিনা :— (মন্নংদা) গোবিন ! গোবিন ! হাইম., নং মৈশু থক্লি-বরা ? (খুপাক্রা খাবগী মওং) কক্লিগীনো হাষবা, নঙনা বেরীরকা থকইদুবু ?

কাহাই :— হায়. বিনা ! কক্লিগীনো মঙনা অঙাং ফুরিবদো ? ঐগী বেরী মচৈ অমথক্লুং চমক্লুনবগীদমক্তরা ? নঙ মচোংপাক য়াম্না নাইরোইদোরিকো, হায়কিপেহে নঙ। কাহাই ঐবু মশক খংবা ফৈকো।

বিনা : — শাওখিগনু মাম। মশিনা মরম ওইদুনা পিক্লিবা নশু অসে মৈশু শিজিনবা কৈনখিবা য়াই। মামগীদমক্তা ওইরবদি ঐ পুজবকে। গোবিন ! লাকও, লাইরিক পারো — লাকও। লেংদনা লৈরম্মুকো.। ইমা কি অনি অহুমশিনং শুদোকলুখিগে, — পারাকা ফানবা ঔরাইরম্মু। (বা ঙাংনা, ঙাংনা চংখিদগী মওং)

গোবিন : — (লাইরিক পাই)

মৈশু চংল চংলগা
মানা মশুঙ কৌরিদো।
মালেম লৈকল খিনপাইদুনা
লৈপাক লৈমা শাংজিদো
অরা অনা থাংদুনা
তাইবং শিম্না পাংবজি
মীওইপোকী থোদাংনি
মপু মাপী থোশিলখি।

কাহাই :— (লাপলপনা) গোবিন্দ !

গোবিন :— করি হায়রগে ইথৌ ?

কাহ্নাই :— মায়িনবা লৈত্রেনহে। অদু ... ৱংবু য়েক্লম তলকা চানিং-ঙ্রাত্ত ?

গোবিন :— অস,— চানিংঙিবো ... ... লৈত্রনে ইথৌ ?

কাহ্নাই :— অদুদি শে ইথৌ রা হায়গে, ভু –উরবরা, মাধবথোইগী য়েন্নখাদা য়েন মকোল শারিবসে ?

গোবিন :— অসিবুদি উইয়ে, অদু কৈদৌ হায়রিবো ?

কাহ্নাই :— য়েংঙোয় ঙসাই ঐনা মথোয়দা চংগোলুবদা য়েংঙোল-জুদনে য়েরুম তরেং নিগাল লৈহৌবনে,-ইথৌ লাপনা মী য়েংগে, -সে, খুদৈসিদা য়োয়গা নঙ পুরকউ।

গোবিন :— লুংঙাইবিরেহাই–ঙর্মোই কৈস্সু; নহানস্সু নঙন। ঐথোয়-গীনি। হায়ঙ্গন্দুনা মাগী শুমাংদগী খুঙাই লোইহন্নগা ইমাগা অবোক থাবল্লগা থংনবদো, ঙম্মোই কৈশু।

কাহ্নাই :— হায, ঐনা নঙ থারকে হায়রম্বনিনে। মথোয়না করিস্সু হায়বক্লোই, চংলোনে গোবিন।

গোবিন :— ঐ কিদা ইথৌ।

কাহ্নাই :— নঙ য়াদ্রেদনা ! শি, উবরা য়েংঙু। লিচৈসিনা ননমদা কনপদবনি ঐদি ; চংলু হায়বনি।

(ভাংনা ভাংনা চংবিবগী মতং)

গোবিন :— মথোয়না চৈরক্লবদি ঐদি থংদেকো।

কাহ্নাই :— হাই তুম্মিম্মা নারোন্দা চংশিল্লু।

(হুইরাম থোংলকপগী মথোল তাই। মীয়াম লাংলকই, — লাওরকই)

(অরাপ্পদগী মীয়াম্না লাওনবকই) হো যেকম হুরাল্লে।
তাম্মু, তাম্মু ফারগা মনা লৈযু। চেনগ্রে, কনাগী
অঙাংনো ?

গোবিন :— (খর থবেং থবেং হোন্দুনা চেল্লকপগী মওংদা)
অয়ো ইমা ঐ শিরে। ইমা, ইমা,।

বিনা :— গোবিন, গোবিন, কৈদৌরে ? ইস নখোংসিদি ঈনা
পুংল্লাং ঙাংলেদনা, কদাইদা চৎলুব্রিবনো ? করিনা
শোব্রিবনো হায়রনি ?

গোবিন :— (কপনা কপনা) য়েকম্নশি লৌরুবদা মপুনা তাম্রক-
পদগী খোংবান্দা চোংথরগা চেল্লকপদা ... লিকলিনা
যাৎলিবা।

বিনা :— করি ? (খুবাকনা থাবা) করিগী মীগী মপোৎ
হুরাল্লরি ? খুম্মো। করিগীনো, নঙনা মীগী মপোৎ
হুরাল্লুব্রিবা ?

গোবিন :— (কপনা কপনা) ইথোনদি যেকম অসি লৌবত্রবদি
কুনি হায়রুনা ... ..।

বিনা :— (কপনা) গোবিন, ইমাগী ইথুংঙো, ইচানা করি
থংগনি। পুম্নমক ইমাগী ইরাম্নিবে, ইমাগী ইরালনি
(কপ্পা) মহু বল্লবা থারৌবু পাযহুনা শাম্নকবা কনানা
লিনসী মহু যদেনা তোকনি! অহুবু.. ঐ মমানি,
মীওইবদি লাইরহুনা ঐনা হিংলিঙৈদা লায়যাম ফাওবনা

ইচাবু মাঙহনবা ঙমলোই, ইচাবু মাংহনবা ঙমলোই
.... (কপ্পা)।

—: (ফ্লাস্ বেক লোইরবা) :—

বিনা :— (হিক্ক হিক্ক কপ্লুনা) অদুনা ইচাগীদমক্তা এৈনা ঙসি ফাওবা হিংজরিবনি ডাক্তর।

রমেস :— পিকলিবা মশুবু অরানবা লম্বীদা চিংশিল্লিবা মীশক অদুমক নহাক্কী মমা ! ... অদুগুম্বা মীশক মদুবু নহাক্কী চংজফম ওইক্লরিবা ইবেম্মা ?

বিনা :— ডাক্তর বাবু, লাইরবনা উপাই লৈতত্রবা কনাগী মোংজুন্নুংশা থাংজরিবা, পিকলবা খা'পোক-শং অদো মৈনা ছুমনা চাকখিবগুম, পুন্সিগী অমত্তা ভাইজরবা চংজফম অদো শাহিং চাবা, মোংশা কৈগী মকোনগুম থোক্লনলে। জীব কোৎনিনা শিদি শিঙ্গমদা, হিংমবগী লম্বী খিবদা এৈনা কয়া রাজখিবা থুদোংখিবা কয়া ঙসি ফাওবা নঙলিবা, পুন্নমক এৈতনা থঙজি -- এৈতনা থঙজি। (কপলকই)

রমেস :— ঙম ! ওন্তোকপা পুকচেলনি। মশামক্কী অশিবা হকচাংনা অহিংবা মী কয়াদা নন্ শিন্দুনা অত্তোপ্পবুসু

মাংহনগে খল্লিবা মচাক অদো, মহাকতগী য়েক্লবা নত্তে, সমাজ অসিগীসু য়েক্লবনি।

বিনা :— ইচাগী পুন্সিবু মচু ওলহনগে থৌরাংবত্তা নত্তনা মহাকী নেশাগী খরচ লৈরকত্রবা মতমদা লাইবক থিরবী ঐগী পুন্সিবু লুকমাইদা হাপত্তুনা য়োনবা হৌরকখিদো ডাক্তরবাবু। তোক্রশি ডাক্তর, ঐগী পুন্সিগী রাব্রি মথা অমুক তাহনবীরগনু—।

রমেস :— খংনিংবা কনাগী মফমদা হৌখিবা থৌদোক তম্বদি পংকাই কাইদেনা; করম্বা ফিভমদা কনাগী থৌইনশিন্না ওসি মহাকী পুন্সিদা হিংবগী মফাও য়াওচন্দ্রিবমো—? মসিনি,—নংগী নফমদগী ঐনা খংনিংলিব।

বিনা :— ত্রাবিয়ু ডাক্তর, সুমিৎ অদো সন্ধ্যা মতুংনি, পিকলিবা ইচা গোবিনসু তুমনিংলমাল্লে, ফমুংদা চংগ্রে, ঐসু মাগী ফৈজুপ শেম্বীরম্মী। তানজা অহুমকত্তদা, তোমাল লাক্কুনা মামগা রাব্রিশাব ঐনা তারম্মী …… ….।

—:(ফ্লাস্ বেক্):—

তোমাল :— তাদা কাহ্লাই নংসি লাইমা নমাই পান্দে হায়। নখিবোং চাথোক থকতোক্লগা শেল শিংগনি হায়রবা খত্তদ্রাও, নপা অপুনা খনম্বা পুকৈফগী খাই-খাইদুনা চাবগুম, নোংমনা নশালাকু, নোংমনা নত্ত খায়কু—

মাম্না উশিংতবগী মায়া নংগীসে ? কাম্বরোই ঐগী লুপা ম্যাংথে অদো হৌজিকমক পিয়ু। থক্কনি চা-গনি হায়বদি খঙলগা শেল শিংগনি হায়বদি কাওরক্তাও ?

কাঙ্গাই :— ইবুংঙো তোমাল, নহল তোল্লি হায়দুনবু অদুক কনবা মাবু শিজিননবা হৌনদেনে নংবো। ঐগী খুংতা লৈতদুনা তৌবনি, খোংমা কোক হেক পিথোকলগা লোইরবদুবু।

তোমাল :— মচিন পিংগুনে তাকাহাই নংবো। নঙ লৈশা লৈ হায়বা ঐ খংদবোই নিংত্রা ? ঙাইথো, নঙনা মধুদা নমো-মুপি বিনা পিনি হায়দুনা লুপা চামঙা মধুদগী লৌ-খিবদুদি — কদাইদা লৈরে ? খুম্মুনে অহল নঙবো।

কাঙ্গাই :— (লোল্লপনা) হায়, হায়। তুম্মিনা লৈমুনে নঙবো, ইমুংদা বিনা মচা মুম্মী হায়বনি। তাগ্রবাদ পুম্মাং মাংব তারে হায়বা। (লোল্লপনা) য়েংঙোই, মচা চেনবা পাম্নদ্রে হায়দুনা মধুনা যাদ্রে অদুনা শেল হন্দোকপ্রে। অদু ইয়াম্বা নঙোন্দা মা অমা হায়গেনা।

তোমাল :— কবি মানোনে হৌজিকপো ?

কাঙ্গাই :— তুম্মিন্না ঙাংনসি, বিনা তাখিনিয়ে।

তোমাল :— কম্বিনোনে, তৌরিসিবো। ইমন খৌবনু হুমানবদৌনা থোপক্লবও ?

কাঙ্গাই :— (লোল্লপনা) বিনা তাক্লবা মাক নত্তে, নঙগী শেনফমসে ইমাগী হৌজিক থোরেন পিরমা থকা মান থোককদোরি

অদুনা রিবাসে নত্ত কৌজগো। শেন্দোল কোক-
থোক্রবসি হায়বা ॥

তোমাল :— মসিদা ইচা ইশু নৈরবা ঐবু নঙগী নঙ্গোৎ কাজেনবী অসি
লোয়ো হায়বা ? সুংভাইরেগো, ঐসি কৈদোগন্দৌরিবা?

কাহ্নাই :— নঙগিদি পংপ্রেইদ্রে সৈক্যা। চানবা য়োগদবা নত্রেনে;
নোংমা নিনি নঙগী সেবা তোজসন্নু, – শেনদোল অত্নুতা,
কোকথোক্লসি কৈদৌগে হয়াঙ্গী ইবুংগো।

তোমাল : – ঐবুদি সুংভাইথোক্কে হায়রিবনিনে। অদুদা, মশানা
য়াদ্রবদি – কমদৌবা ?

কাহ্নাই :— মতিক্লো! নঙগী শেন্দোল অত্নুতা কোকথোক্ররসি।
ইপা ইপু নোরোক তাগে, মানা য়াদ্রেদনা, মশম লাক্কুবা
চিংথোক্লগা নথুংতা শিন্নবিগেসে, অদু ওইরবদি য়াব্রেদনা?

তোমাল :— নঙনবু অত্নুম তৌগে হায়রবদি নোরোক তাগে শেন-
দোল অত্নু কোকথোপিরবনি। অদুগা সে, লুপা
চনিসিমরু পিরবনি। করে, হৌক্কিক্তি মনশিল্লক্কে
নহাক চংথোকপ্রোদনা।

কাহ্নাই :— নত্ত কপ্নিমতা থওবা শাত্নুনা লৈয়ুকো ঐ লাং থাকপা
হৌরগে। ·· ··· ইবেম্মা! বিনা! বিনা।

বিনা :— (ইমুংদগী) কপ্পি হায়রবগে মাম্ম? (থোরকপা) কব্রি ··

কাহ্নাই :— য়েংঙোই নঙগী তা তোমালগে ভসি পুমিদাং অথেংবা
কাওবা লৈরুজবা য়াদ্রে, মামগা য়াম্রা লুবা কান্নি খবা
শাগদবা নৈ। অদুনা মায়দি কৈকোল খমত্রিতদা তা

অচা অমতং লৈরুখিগে। নঙ চাকখুর্ম চংঙমমোকো।
. হায়, হায় মা অসিদা লৈ হায়বা মী কমা থংহনবা অত্তে, ইমুংদা পুশিন্নগা বাখি রাতাই শামিন্নবম্মকো।

বিনা :— ঋমি মাম্মা।

কাহ্নাই :— চংঙো চংঙো মৈ থাগংলমলো। (বিনা চংখিবাগী মওং)

কাহ্নাই :— (লোল্লপনা) তোমাল, ঐগী ইথৌ—লম্বী শেমবা লোইরেদনা, চংকদবা নঙনা চংপা হৈতহনা নামথুংবহনদি ঐগী দায় নত্তেকো·· ঐ চংলে। (ডাংনা-ডাংনা চংখিবগী মওং)

তোমাল :— বিনা!

বিনা :— (মনুংদগী) চংবিয়কউ য়ানি।

তোমাল :— বিনা, থোং অসি লোনশিন্ন। মীনা ঐ অসিদা লৈ হায়বা খঙত্রবদি তা কাহ্নাই ঐখোয় অনেগী থবক অসি শোইদৌরিগোংনিনে বিনা।

(থো° হাশিনবগী মথোল)

আই. নং চাকখুম চংঙ্ত্রাও? হাইথোনে, বারি রাতাই হাইহাকম্মু মশাসি। ঈশিং খক্কিকতং পিয়কউবা নেশাশি থাদোকপা ইঙম ঙমদবনিনে।

বিনা :— ঈশিং লৈরে তাদা। (য়ু হৈবগী মথোল তাম্না)

তোমাল :— (য়ু থক্না থক্না ডাংনগী মওংদা) বিনা, মংবু চহি কম্না শুরে হা?

বিনা :— তাদা চহি কুনথ্রা হায়রক্লে।

তোমাল :— নশক নত্তোদি চহি তরা ত্তরুকনা কৈদৌনি।
(য়ু অমুকম্থু হৈবগী মখোল তাই) ঈশিংদো থিংতংগা হৈরকখোবা।

বিনা :— অসিদা লৈরে – লৌবিরো।

তোমাল :— সিদা হৈরকউনে; খর চংশিল্লকউনে।

বিনা :— থুং থাদোকপিয়ু, হৈজগে।

তোমাল :— (নেশানা ডাওবগী মওংদা) ও, ঐগী খুৎনা নঙগী খুৎতা শোকপদা নঙনা য়াম্না ফত্তনা খল্লবা! কৈম্থু তৌরোইদা। ঐ তাকাহল্লায়গী কমুংদা ঙাইহাক্না পোথাগে কোকসি ডাওরে, নঙ অমুক্না শমম্লো লাওবা লাকও হায়বা।

বিনা :— অতুনা ফরনি মাম্মগী কমুংদা পোৎপাররো।

তোমাল :— অস্—হেক হিপথবদা খরা হেক মুংঙাইদা।
ঙাইখোনে শজিক্লুংগা হৈরকখোসে য়ু—দো—।

বিনা :— সিদা লৈরে হৈরগা থকপিরো. ঐ মনম অসি কয়া হৈনদে!

তোমাল :— (ওগে তৌবাগী মখোল, লোল্লপনা হায়) হায়, নঙ ঐগী ওইরবনিনে। নংগী মামনা নঙগী মমল লৌগ্রবনি। য়ু ফাওবা হৈবা কামদ্রবব্রি ... ঐ হোৌগৎলকউরো? —য়ু সি নয়াদা ইল্লুরাও?

বিনা :— নিংথিনা হিপ্লিয়ু। ঐ সেবা তৌজগে (য়ু হৈবগী মখোল) সে, ইথুৎমক্না ইল্লবদি য়ারেদনা। ওক্লিব্রা?

তোমাল :— ওক্লি হৈরকখো (য়ু হৈবগী মখোল)।

বিনা :— পেমা থকপিয়ো, ঐদে নংগী ওইরবসিনা নহাকী সেবা শৈয়া তৌজগে।

তোমাল :— (মু য়াম্না ঙাওরকপগী মওংদা) বিনা, ঈশিং খরা পুরকউ। কোক যাম্না ঙাওরে লৱাইদা খরা য়েদকউ।

বিনা :— ঈশিংদি লোইখোকখ্রে, কমদৌনি ··· ?

তোমাল :— হায়, চংলো, পুখ্রিদগী শোক্লুচো।

বিনা :— অদুদি ঙাইহাক্তং থাংবিরমখো। ঐ ঈশিং খজিক্তং শৌক্লু খিদে।

(তোমালনা খোঙ্লা [illegible] অথোল তাই)

বিনা :— (য়াম্না সোম্না) গোবিন; গোবিন!

গোবিন :— করিনো ইমা?

বিনা :— [illegible] ইমা শোরগে, [illegible] অনা চংলুপি লাও।

([illegible] তাই)

গোবিন :— কনাইরনো?

বিনা :— [illegible], [illegible]!

([illegible] ওই খোংলকখা)

তোমাল :— বিনা! বিনা! (হৌসংলকপদা উপু কাংখোলদা খেং-[illegible] অথোল তাই) হায় বিনা, ঈশিং শোকপবু অদুক কুইবরনে? অঙবু পুখ্রিদা তারব্রাও ······হায়ণ, [illegible] বিনা! বিনা! ([illegible] অথোল) [illegible] পুনা পামবা, বিনা! ([illegible] অথোল)। [illegible] কাওথোইদ্রগে

বিনা { থোং কাওখাইবগী মখোল } আই,— চেনথ্রেনহায় তা—কাহ্নাই। তা—কাহ্নাই।

—ঃ(ফ্লাস বেক লোইবা).ঃ—

বিনা ঃ— সুমিৎ অচুগী নুংদিদাংদনি,- ঐনা পিল্লিবা ইচাবু ইথাদা চেৎনা কেল্লগা শারবা মৈরক্তগী থরায় হিংনবা চেল-লকখি। ঙসিদি শা মরক্তগী নানগোকচরক্লবনিনা শিবা তারবস্থু ঐগী অশিবা হকচাং অহুতদি শেং শেংতুনা শাগী চিঞ্জাক্তদি ওইবরোই।

(খঙোই শোক্লা হিক্লা হিক্লা কপ্লুনা)

ঐগী মোৎলবা ৱারি অসিবু নহাক্লা অহুক হানিংলুরিবা করিগীনো ডাক্তব ?

ময়েস ঃ— ডাক্তরদি লাইওং খংদনা অনাবা হিদাক কৈদৌইৱদস্থু থাদে।

বিনা ঃ - লাইরববু য়োকপিবা, শোগৎপিবা পুকচেল চাওবা কপাগুম্না অমতং থেংনরবদি হায়বগী আশাদা সহর তান্না লাকচবনি অহুবু খংলে ঙসিগী সংসারসিদা থুঙ্গং সহর করিমক্না খেননরমদ্রে। অতোনববু তুহৎপা, লাইরববু নমথবা ঙসিগী সমাজনি। লাইর অনংগীদমক্তদি থোং-হিন খুদিংমক থোং লোল্লমলে। ইচানা অরাম খো-ম্নাংবগী মৈচাকনা লাম্লে, চাগে হায়দুনা কপ লাওরকপা

মতমদা ইচাগী মপুক্কী অরাম খোঁরাংবা কোক্লনবগীদমক্তা চেং মুষ্টি অমগীদমক্তা খুং অমি তিংথোকচক্রবা মতমদা হৌজিক্কী সমাজ অসিনা নুপিগী ইজৎ পিয়ু হায় । অফবা হায়বদু লৈত্রবা মীনুংশি খংদ্রবা সমাজ অসিদা হিংনবগী প্যাম্বৈ কদাইনো ?

রমেস :— (নুংশাখর মপি শাংনা হোল্লগা) বিনা, নঙগী রারবা পুন্সিগী রারি তারগা, ঐস্সু অরাবা কোংদোক্তবদি ঙমদে ।

বিনা :— ইরাক্লরবা পুন্সিসিদা অনুকস্সু খল্লকই, ঐনা ঐগী থরাইবু মাংহল্লশিরা হায়না, অদুবু ডাক্তরবাবু, ইচা অসিনা নরম ওইত্তুনা মদুস্সু ঙমদ্রে — ঐ নুং অনিগী মরক্তা হা ওইরে, — ঐ ভাওরে, ঐ হাযক্রম খঙদ্রে — অমুকস্সু খল্লকই ইমা ইচা পূল্লশ শিমিন্নব্রশিরা হায়না ⋯ ।

রমেস :— মদো নঙগী অরানবা রাখললনি । নোংমা নংত্রগা নোংমদি শোইদনা শিরগদবা মীওইবগী মপোকনি, শিববু ঙাইঙমদবা তৌগনু ।

বিনা :— শোইদনা শিরগদবা মপোক অসিদা অস্থুক রানা হিংদুনা লৈক্লবগী করি কাম্নদগেনে ?

রমেস :— পুন্নমক খংলে, নহাক্কী পুন্সিদা অমম্বদা উথরে । অঙানবা ঊবা ঙম্লনবা হোৎনৌ । নঙ নশাদগী যেংগনু নচাগীদমক্তস্সু খল্ল, — মচাবু মী ওইননবা য়োকপা, মচাবু শেম্বা মমাগী মথৌনি । নচাগীদমক্তা মমা ওইবী নহাক হিংবা তাবনি ।

বিনা :— ইচাগীদমকতা । চুম্মী: মীওইবনা লৈবাক থাদোকপা ভুমদবগুম মমানা মচাবু থাদোকপা ভুমদে। অদুদনদি ডাক্তরবাবু লাইবক থিবী ইমা ইচা পুম্না ... .। (কপ্পা)

রমেস :— মহাক্কী পুন্সিদি লাইবকথিবী অমা ওইরে অদুবু নচাগী লাইবক্তি য়েংফম থোকতরা ? থংবা ভুম্বা,— মীওইবগী লাইবক হুয়েং মরুম অমদা নচানিপাসিনা চাওরক্লবা মতমদা লৈবাক্কী য়ুম্বিরেন - লৈবাক্কী লুচিংবা অমা ওইরক্লবদি ?

বিনা :— (অঙাওবিগুম্না নোক্লগা) ঐগুম্বাগী ইচানবু ! ডাক্তরবাবু মদু মং নংতনা করিম্মু ওইরোই।

রমেস :— হিংনবগী লানমক্তদা নিংতম্লবা লৈতনা নচাবু মী ওইনবা শেমগদবনি,— নচাগীদমক্তা মওগী পুন্সিদা পুম্নমক কংথোকপা তাবনি ।

বিনা :— করে, অদুদি ডাক্তরবাবু নহাক্কী পাওতাক মতুংইন্না ইচাগীদক্তা পুম্নমক কংথোক্লগে .. ... ঐনা হায়জবা অমতং ডাক্তরবাবুনা যাবিরমদি ... ...।

রমেস :— হায়যু করিনো ?

বিনা :— ঐঙোন্দা হিংনবগী অনৌবা আশা পিবীরগুম ডাক্তরবাবুনা চানবিহনা ইমা ইচাগী চংজকম পিনবিয়ু।

রমেস :— চংজকম !

বিনা :— ইমা ইচাগী চংজকম পিনবিরবদি ইমুং মনুংগী থবক ইংথাং কোক্ল-লিক ক্ষেংবা, ক্লাই-মম শেংবা, ফোঙ্গু লংজুকলচিংবা

মীনাই মুপী অমগী তৌকম থোকপা পুন্নমক তৌজগনি
হায়বিয়ু, ডাক্তরবাবু, ইমা ইচাবু লৈহনবীগদ্রা ?
ডাক্তরবাবুগী মাই খুগদবা থবক অমত্তা তৌজরোই ।

রমেস :— মী অমবু মী অমনা চংজফম পিবা হায়বসে মীওইবগী ধর্ম্মান — অদুবু ঐগীসিদা নঙনা লৈবা তারবদি মীনাই মুপিগী পানদমগুম লৈগদবা নত্তে । ইচলগুম্না থমগনি । শেংনিংবা শেং, চানিংবা চাদুনা লৈগদবনি ।
কনানা মপু কনানা মীনাই ঐগী রখলদা লৈতে ।

বিনা :— (হরাওনা) ডাক্তরবাবু !

রমেস :— অচুম্বনি বিনা, ঐনা থম্মোই শেংনা নমা নচাগী নতেং পাঙগনি — নচানু মী ওইনবা শেমগনি — ঈশ্বরনসু নতেং পিবিসনু ।

গোপাল :— বাবু, ইবেম্মবু ঐখোযগীসিদা ··· · ?

রমেস :— কৈদোবা ?

গোপাল :— হায়জদে । ডাক্তরবাবু, নিপামচা জ্ঞান তাগৌরে, শঙ্গোমকা পিথকচরম্মে । ইবেম্মা, মুংশা থিরম্নু নচা ফরে ।

গোবিন :— (মনুংদগী) ইমা ।

বিনা :— গোবিন ।

(গোবিনগা 'ইমা' হায়না কৌদুনা থোরকপগী মতৌ)

রমেস :— বোই ! ফরেদনা ? ··· ··· গোপাল !

গোপাল :— তাকপিয়ু ।

রমেস :— হোরেল নঙনা থবক ইনথাং লোইরগা মথারোমগী

ইনে কৈন্যা হৌরগা কৈথেলদা খরা চংলু।

গোপাল :— করিগী ওইরবনো ?

রমেস :— বিনা মমা মচাগী শেংন চাররা ফিরোল খরা লৈবিক। শে লুপা চামসি লৌহৌ।

বিনা :— ডাক্তরবাবু •••।

রমেস :— বোই, নিংথিনা লৈরম্মু। ঐনা হোৎনল্লা হল্লকপদা নংগী করি করি লৈবিরক্কনি। বিনা, ঐ চংলুখিগে।

বিনা :— ফান। (রমেস চংখিবগী গাড়ী মখোল)।

গোপাল :— ইবেম্মা।

বিনা :— করি হায়গে তাদা ?

গোপাল :— ইবেম্মাবু অসিদা ··· ··· ?

বিনা :- হোয় তাদা, ডাক্তরবাবুনা মতম খরা ····· ··।

গোপাল :— হোইদা, ইচলসিদি হৈনগ্রগা তুং কোইনা অমুম।

বিনা :— কৈদৌবা ?

গোপাল :— হায়দেদা, লাকও ইবেম্মা - ইরুজ মাইথনবা তৌরো।

বিনা :- তাদ ···· ··· ।

গোপাল :— করিনো ইবেম্মা ?

বিনা :- ফক্লাংদা থেৎলিবা ফোটো অসি যুমসিগী কনানো তাদ ?

গোপাল :— ফোটো অসিবুরো ইবেম্মা ?

বিনা :- হোয়—।

গোবিন : ইমা, নঙগী ফোটো অসিদা লৈরে।

বিনা :— ইমা নত্তে মান্নবনি। তাদ মহাক অসিবু য়ুমসিগী কনানো ?

গোপাল :— য়ুমসিগী মবেম্মনি, মিংনা প্রতিমা কৌই।

বিনা : — প্রতিমা !

গোপাল :— অদুবু লাইবকথিবদি মহাক ওসি তাইবং অসিদা লৈত্রে।

বিনা :— করি হায়বা তাদ ?

গোপাল :— অচুম্বনি ইবেম্মা, লৈখিদবা চহি অহুম ফারক্লে। ইবেম্মা প্রতিমানা থুপখিবা নুমিৎতগী ইমুং অসিগী হরাও তৈয়াম. পুম্নমক পুদুনা চৎখ্রে, মোংফম্গা পাংথক ওইহৌরে।

বিনা :— মতৌ করম্না মমুং মতম চাদনা লৈখিদ্রবনা ?

গোপাল :— ওম্ভোকনা নিংগমহৌদবা থৌদোকনি। থল্লবদা থম্মোই অাস তনিক তানকই। নোনা পুন্সি কেমথ্রবী ইবেম্মা প্রতিমা ফমুংদগী হৌগৎ কাংখৎপা ফাওবা ওমদবমখৈ লাইকম্নরিবৈদো,—ঐখোই ডাক্তর বাবুগী পুকচেল্ অসি অশুকপনি, ইবেম্মাগী অদুগুম্বা ফিভম অদুদা অনাবা অমা য়েংবা চৎতবা য়াদ্রে, কৌবা লাক্লে হায়দুনা ইবেম্মাবু হুনদোকলমলগা চৎখি। অস্তুম থোকউ হায়না তমখিবনা ইবুংঙোনা য়ুমদা হল্লকত্রিবৈদো ইবেম্মা প্রতিম্মাদো পুন্সিগী অরোইবা য়াহিপ তানখি।

বিনা :— তাদ —!

গোপাল :— মতুদগী নিংঙমদবা মৈরি অদো ঙসি ফাওবদা ঐখোয়গী ইবুংঙোগী থম্মোইদা মুৎত্রির্বনি। ভোকলসি, মসিগী রাসি। ঙসি ইবেম্মাগী মীওই মুক্তি শকফম অসি উজবদা লাইবৈপাকতগী ইবেম্মা প্রতিমাদোঁ অমুক হল্লক্রবরা হায়না পুকনিং অসিদা খন্দবা ঙমদে। খেন্নরিবা হায়ববু চিনবান ময়াগী শমক্রু অদুমক্তনি।

বিনা :— ত্তাদ!

গোপাল :— ইবেম্মা প্রতিমাগী হাংলবা মফম অসি মেনবিনবা প্রতিমা অমা লাকলে হায়না ঐগী পুকনিংদা মুংঙাইবা পোকচরি।

বিনা :— ত্তাদ।

গোপাল :— অচুম্বনি, ঐগী থম্মোইনা হায়রি, নহাক য়ুমসিগী অনিশুবা প্রতিমানি।

—ঃ ম্যুজিক ঃ—

রমেস :— (কুংশার্থর মপি শাংনা হোল্লগা পুকনিং মুংওনবগা লোইননা) ঙসি মেরাগী তরানি পানথংলকপা থবান অদুনি, ঐগী প্রতিমানা ঐবু থাদোকতুনা চংখিবদো — মাবু কাওগে মহোৎনৈ অদুবু খোইনা হেম্না নিংশিংলকই।

গোপাল :— ডাক্তর বাবু, পুকনিং মুংঙাইতনবা রাখল অদু খল্লুরনু কৈদোবগে —।

রমেস :— খল্লরোই নিংঙি অদুবু য়াদেনে। গোপাল, নংনদি হয়াওরি অদুবু ঐঙোন্দদি ... ।

গোপাল :— কৈদৌবা বাবু ?

রমেস :— মংগী অনিশুবা প্রতিমা বিনাবু উরগা ঐগী প্রতিমাবু কাওবদি হায়রুগনু, বিনানা প্রতিমাবু থোইনা হেন্না নিংশিংহল্লেনে।

গোপাল :— অদু ওইরগা বিনাবু য়ুনসিদগী ... ... ।

রমেশ :— নত্তে, নত্তে, গোপাল মদুগী রা নত্তে। লাইবক থিরবী বিনাদি ঐগী ইনাকতা লেংদনা লৈরগদবনি। ঐগী অথোইবা লাইনিংদি বিনানা প্রতিমাবু নিংশিং-হনবগী মচুৎতা করম্বা নুমিৎ থাদা বিনানা ঐবু প্রতিমাগী রাথল কাওহনবা ঙমগদগে, — অসিনি। অদুবু থাজদ্রে, ঐগী প্রতিমানা তাইবংপাল অসি থাদোকতুনা চৎত্রিঙৈ-কোকা মোনগা তাইনদুনা অনাবগী মৈচাক থাংলদুনা পিনা থল্লবা মমিৎতগী শিনথরকপা মপি অদুনা কংলবা চাইরুং অনি অদু পুমচোং-চোং, কংলবা মখুৎ অনিদুনা ঐগী থুং অসি পাই-রদুনা তাইফেৎ তাইরবা মচিনবান অদুদা নোকপগী মমিদি খজিকতং তারগা ঐঙোন্দা করি হাইখি, খংলরা — ?

গোপাল :— করি হায়খিবগে ?

রমেস :— মানা হায়খি, ইবুংঙো ঐনা চৎখিবা থোকলবদি

নহাক অনৌবি অমা অমুক য়ুমসিদা পুশিল্লককনি, নংগী থম্মোই মন্দিরদা নংগী নুংশিবী অমনা অমুক ভাল্লগনি নত্রা—? মদুদা প্রতিমাগী খুজেং পায়দুনা ঐনা হায়রম্মী; "নহাক ঐগী নাকতা লেংদনা পুন্সিগী লৈগনি, নংবু ঐনা কদাইদম্ম চংহল্লোই, ঐগী থম্মোই মন্দিরদা নং নত্তনা কনাগী মমি তাহল্লোই ··"। গোপাল. ঐগী রা তাবদা প্রতিমানা হরাওজদুনা কংলবা মচিলবানদা হায়ফেৎ নোকচখিবদু ভুসি ফাওবা ঐগী মিৎতা উরি। করমনা ঐনা মাবু কাওবা ভমগনি — — '

বিনা :— (অরাপ্পদগী) তা গোপাল !

গোপাল :— (লাপতরু) ইবেম্মা।

বিনা :— ডাক্তর বাবুদো অমুকতা ভাইবিরমখো হায়রু, — — শঙ্গোম শাহল্লি থরা হায়রু।

রমেস :— গোপাল। ঐ থবক অমা চংতনা য়াদ্রে, যাম্না থুনা লাকনি।

গোপাল : - শঙ্গোম পূরক্কদৌরিমাল্লে।

রমেস :— ঐ য়াম্না থুনা লাকনি। শঙ্গোম অদু শাহল্লগা থনম্মু হায়রু। ঐ চৎলে। (গাড়ি চংশিবগী মখোল)

গোপাল : - ইবেম্মা বিনা ! ডাক্তরবাবু থবক অথুবা অমা চংখরে শঙ্গোম অদু শাহন্দুনা থনম্মু হায় – য়াম্না থুনা লাকনি

হায়রম্মী। (টেলিফোন লাকই, গোপালনা রিসিভর পায়খৎপা)

গোপাল :— হেল্লো, মানি নম্বর টু ফাইভনি। মানে, মানে ..... ।
ঐখোয়গী ডাক্তর বাবুবু ওইরবরা ? ... ... লৈতে ...
চংথোকখি · ... ফনি, ফনি ... হায়জগে।
(রিসিভর থম্মী — ময়েক য়াওদনা ঈশৈ ওংই গোপালনা টেবিলকা কনথোকপাগী মখোল)

কল্যানি :— তাদ .... · !

(গোপাল ঈশৈ ওংতুনা থবক তৌবদা তাদবা) তাদ !

গোপাল :— ও,— – লেংশিনবীয়্- লেপতুনা লৈবিরিবা করিগীনো ?
ফম্বীও,— চেয়ারদা।

কল্যানি :— লৈতে চংথোকখি হায়বতুবু কনানো ?

গোপাল :— ঐখোয়গী ডাক্তরবাবুমি।

কল্যানি :— ঐখোইগী তামোবু লৈতবরনে ?

গোপাল :— হোই,, ইবেম্মাগী তামো লৈতেনে।

কল্যানি :— অওইত্রনে ?

গোপাল :— (কল্লপনা নুংশিদনা) লৈতে, চংথোকখি হায়রমকতদা
(য়ারকতা ওংতুনা) করি শুপীনোনেসিবু ... ...।

কল্যানি :— করিনো হায়রিবসিবু ওসি ঐ লাকনি হায়জগ্রবনি।
(ঘরী য়েংলগা) হায়নখিবা মতমদগীসু মাংজোনবা লাকচরিবনি ...। অদুগবু ... ...।

গোপাল : - ইবেম্মা লাকনি হায়বতুনা ওইবা তারেদনা —।

কল্যানি :— (রাখল অমদগী ইথৌ লাংবা) কমদৌবা, ডাক্তরনা করি হায়রম্বগে ?

গোপাল :— থোইদোকপা হায়রমদে। ইবেম্মা ঙসি লাকনি হায়রিরকপদুনা ওইবা তারে, সুংতিগী চংথোকপা মতমদগী য়াম্না মাংজোননা ডাক্তর বাবুনা ঙসি তহা তহা চংথোকপ্রিবসি।

কল্যানি :— হায়রিবদো করিনো ঐবু ইকাইবা পিবিরিবরাও ?

গোপাল :— ঐদি পিজদে ; ইবেম্মানা নখোংনা থোংবা ইকাইবা লৌবা লাকপিবনি।

কল্যানি : — মতুগী অর্থদি ?

গোপাল :— ঐথোইগী ডাক্তরবাবু অসি নাম হাংলবা পুন্সিনি হায়দুনা নামা হাংলবী ইবেম্মানা ডাক্তরবু ইবেম্মাগী অহাংবা মেন্নবা হোৎনবিরি.— নকশিন্নবা লাক্লবিরি মতু খংদুনা ঐথোইগী ডাক্তরনা লাপ্না চেনথোক্লপা হোৎনরি, বস — মসিতনি। (য়ারকতা ভাংদুনা) মসিবু ময়েক চংবা রাদোনা।

কল্যানি :— ঐবু অদুক মমল হোৎনদি লৌবিগনু।

গোপাল : — লৌজদে, লৌজদে। ইবেম্মাতম্না নশাবু মমল হোৎহনজবনি ঐথোয়স্ন খংঙে, ডাক্তর ঊনদুনা বারি রাতাই শাবগী অনাবা মীগী হক চপ চানা লৈ। মতুদা থোদোংদুনা ঐথোয়গী ডাক্তরবাবু বারি রাতাই শান্নবগী ইবেম্মানা খুদোংচাবা লৌবিরিবদো কারেম্নি।

কল্যানি ঃ— রাগী রা চুমনা ভাঙভ্, নচিল থিদুনা মী মাংবা য়াবা রাদো পংঙাং ঙাংজগনু।

গোপাল ঃ— ঐগীদি শেংনা হায়রিবসিনি, ইবেম্মাগী থম্মোইগী লাইনা অদো লায়েংনবা, ডাক্তরবাবুগী নুংশি হিদাক লৈতবনি।

কল্যানি :— নখোইগী ডাক্তরনা মতুমক হায়রবরনে?

গোপাল ঃ— হায়দে হায়দে, ঐগী রাখলনি — পায়রুবদা খুং যাংতুনা ঈ থোকদবা লিকলি মচেৎপু মনিনি থনতুনা পারগদবা ঐখোইগী ডাক্তরদি নত্তে।

কল্যানি ঃ— নংনা হায়রিববু ঐ অসে শেলতবু পাম্বী, থম্মোই পান্দবী নুপী অমনি, নখোইগী ডাক্তরগী পুন্সি মাং- গনি অসিনিনে?

গোপাল ঃ — থংদে, থংদে, মৈনি থংনা নেৎলুগদবা, তনি থংনা থকলুগদবা ঐখোইগী ডাক্তরবাবু নত্তে। থংবিও, ইবেম্মা, — ঐখোয়গী ডাক্তরদি মমিং থৌরি—মিৎ ভাংদ্রনে —।

কল্যানি ঃ— ঐনা উবদি নখোইগী ডাক্তরদি মমিং তাংবা কুইরেনা, - পু-পাংমু মশক থংদবী, হৌরকফমম্ থংদবী চাজেনবী শনবী অম্রবু আ লমহাংদগী ফারুরগা য়ামনা থরাই তানা য়োকল্লি হায়বদাইনে —।

গোপাল ঃ— (শাওনা) কল্যানি — ! (বিনা লাকপাই মতং)

বিনা ঃ — কৈদোরবগে তাদ?

গোপাল : — (ইংথনা) করিম্ নত্তে ইবেম্মা।

বিনা:— করি থবক্কী ওইরবনো?

কল্যানি:— ঐনা লাকপগী মরম অদোমদা হায়বগী কান্নবা লৈজে। হায়বিগে তাগোপাল, নখোইগী ডাক্তর অসি লৈপাক মীয়ামনা ফজনা শক শোন্নরবনি।

গোপাল:— করি —!

কল্যানি:— শোরোক্কী মালাদগী খুল্লকপা মফম ময়াং খংদবী নুপী অমবু ডাক্তর খানাদা থবক তৌহন্নবা নখোইগী ডাক্তরনা য়ামনা কন্না হোৎনরি হায়বদাইদো? মতুদগীদি লৈপাকনা ভাংনবগী মথকতা নখোইগী ডাক্তরগী মঙুনবু ই-পাও চেদা য়াম্না ফজনা শক্না শোন্নরকখিগদবনি, —খংলেদনা?

গোপাল:— কল্যানি, বা ভাংবদা তুং মাং য়েংনা ভাংদু খংবরা?

বিনা:— তাদ —।

গোপাল:— ভাংনিংই হায়রদুনা য়াচল য়াওদবা শগোলগুম থেক্লু লাওগন্নু —।

কল্যানি:— অদুম্বা হায়বদা কনাবু কিজক্পগদগে। নখোইগী ডাক্তর লাক্লগা হায়য়ু, চাথুমদা হুই কুলহনবা, চাথুমদা খুজাম চফু পুশিনবা, ঐখোইগী সমাজদা চৎনদে, চৎনবীনা য়াদে। অদুগনে, থিক লেম্বা মীনা থাবু লামলুরবদি মথাং তেকতুনা তারকপনি। (কল্যানি-চৎখিবা)

গোপাল :— (য়ামনা শাওনা তাম্নবগী মওংদা) করি, চাকখুমদা ভুই কুলহনবা, চাকখুমদা খুজাম চফু পুশিনবা কায়ন্না, ... মসিগী হুপীসি ... ...।

বিনা :— (খাম্নগী মওংদা) তাগোপাল।

গোপাল :— মসি ...... মসিগী হুপীসি ... ... !

বিনা :— তুমিন্না লৈরো হায়্নবনি।

গোপাল :— ইবেম্মা মহাক্কী মাদা থোইনা খনবিগন্নু। লাইরিকতি হৈতনা লাইরিক হৈবী শাবী লাকলদা শউনগী বেগ অমা হেক য়ানশিল্লগা, ইনচি তরুক মাংবা খোংউপ অমা হেক তোং, ভৈরিবিগী রুপ লৌদুনা চিনবানদা লিপষ্টিক ভাংশং ভাংনা হেক তৈশিল্লহনা, খুনিংদি কালেন লৈক্রককুমনা কাইরতুনা, ময়ূমদা হুপীগী মথৌ অমতা হেক শুদবা মখে, অচৌ অশাংগী মনাকতা পুং কুনমরি কুনহনতা লৈবী, অচৌ অশাংশিংগী চেগপ ওইরিবী মীরা ভাংবতনা মথৌ ওইরিবি অত্থুগুম্বা হুপীনি —। থৌওইনা খনবিকুগন্নু ইবেম্মা।

বিনা :— হোই, হোই। চৎলো থবক ইনখাং লোইশিল্লুরো। (কল্যানিনা ভাংলম্বশিংদু বিনানা নিংশিংলকই), (কল্যানি খোঙ্গেন্দ) "শোরোক্কী নলাদগী খুল্লকপি, মফম মরাং থংদনী হুপী অমবু ডাক্তরথানাদা থবক তৌহন্নবা নখোইগী ডাক্তরনা য়ামনা কন্না হোৎনরি হায়বদাইদো, মতুদগীদি লৈপাকনা ভাংনবগী মথকতা নখোইগী

ডাক্তরগী মগুনবু ই - পাণ্ড চেম্বা য়ামনা ফজনা শকনা—শোম্নরকখিনি। মখোইগী ডাক্তর লাক্লগা। হায়্রয়ু—চাকখুমদা হুই পুশিনবা চাকখুমদা খুজাম চকু পুশিনবা ঐখোয়গী সমাজদা চৎনদে, চৎনবিনা য়াদে, খংলেদনা ? থিক নেম্বা মীনা থাবু লামলুরবদি মখাং তেকত্নুনা তারকপনি।

খোনজেল :— করি থল্লি বিনা ? নং নশাদগী য়েংহুনা মীগী পুন্সি মাংহনগনু।

বিনা :— (খাংবা ওম্মতবগী মওংদা নাকোং মেল্লগা) ও। অসিগুম্বা অসি ঐনা কয়া কুইনা তাত্নুনা লৈখিগদগেনে (কপ্পা)।

রমেশ :— (রা ভাংনা ভাংনা চংলকই) গোপাল ! গোপাল ! ও,— বিনা নং করি ...... ?

বিনা :— করিস্ত তৌদে। তাগোপাল থবক ইনথাং তৌরম-গনি,— করি হায়বগে, — মাবু কৌরু হায়বরা—?

রমেশ :— য়ারে কৌরুরনু। য়েংজোই বিনা, রার্দ এটেন্দেন্ত পোষ্টকী নংনা ইন্টরভিয়ু য়াওরুবন্থু, খনবদা নংস্তু মন্নুং চল্লে। নং থবক ফংলনি — বিনা, নং নচাবু মী ওইনবা শেমজবা ওমলগনি। ঐ ক্ষুংঙাইরে বিনা।

বিনা :— (নিংবা কাইবা অমদি ক্ষুংঙাইতনা) অদোমগী ৯মন করিনা শিংজগনি।

রমেস :— নচিল্লদগীদি থাগৎ রাহৈ তাবা ঙংঙি অদুবু বিনা, মাইথোংদদি শুংঙাইবা উদে।

বিনা :— চুম্মী পুকনিংগী মিংশেনদি মাইথোংনি। ডাক্তরবাবু পুন্নমক অয়েম্বা অয়েম্বনি, — অয়েম্বা — ।

রমেস :— নংগী রাদো করিনো বিনা ?

বিনা :— নংগী রাংলবা থম্মোই ঐতনা খংই। নংগী রারি, নংগী নগুল পুন্সিসিমগী ঐনা শকচবা লোইররোই অদুবু তৌবিমল খংদবী শা ঐনা নংগী স্বর্গ পরু-রাংলবা নংগী মিংচংপু লৈখা তান চিংথজনিংদরে। অদুনা ঐবু মফমসিদগী ··· ··· ঐবু মফমসিদগী ··· ।

রমেস :— বিনা — !

বিনা :— ডাক্তরবাবুনা, খংজবা ভমদে, ঐনা অসিদা লৈবসি নংগী কয়াম মাংজবনো ··· ··· খংবিয়ু, ঐ অসে নংগী বদনামগী ফিজ্জেৎ ওইরবনি, ঐ অসিনা নংগী ভোরবা পুন্সিদা অমুবা দাগ ওইজনিংদরে। লাইবক থিবী ঐদি লাইবক থিনা লোমগ্রসনু।

রমেস :— (শাওনিংবদগী ইথং খংহৌদনা বিনাগী খজাইদা খুপাক্লা থাবা) বিনা — !

বিনা :— (কপতি কপ্লগা চিনবানদা নোকশিন্নদুনা) মদুনস্থু অভিক চাস্ত্রি ডাক্তর বাবু। মাং তাক্লবগী মশক ওইরবি — হিংচাবি ঐবু থোংপাক্লা কাওরগা তান-থোকপিয়ু।

রমেস :— (অমুক মুংঙাইরকতবা, য়াম্না চিংলেমনা থম্মোই শোক্না) থম্মোই শেংনা কোংদোকপা ঙমদ্রবা, ওনখোকপা অরাংবা থাককি মনুংশি অদু অরেম্বা তাহল্লবকো!

(রাখল অমদগী খংহায় খংথিল ওইনা)
গোপাল ! গোপাল ! গোপাল ...... !

গোপাল :— কার ... .. ।

রমেস :— বিনা অসি তুমলিবরা, মমিং পাংলিবরনে, মহাকনা ঙসি লোল্লিবা চোইরোল অসি ঐ ভাব তাবা ঙমদ্রে (অমুক শ্বর হোনথরগা) গোপাল, হায়মু- ঐগী ইতুংদা করি কার খোকখরে ?

গোপাল :— করিমু থোইদোকপা ... ... ।

রমেস :— অদুদি বিনানা চৎলগে হায়রিবসি করিগীনো ?

গোপাল :— করিগীনো ইবেম্মা ? ও! ঐ ভাব তারে বাবু মাগী কল্যানি হায়রবদু লাক্লম্মী ।

রমেস :— কল্যানি ... ... ।

গোপাল :— ঙসি কল্যানিনা চিগাইরা থরা তৌশিল্লম্মে,— মদুগী শোয়দনা ওইরমগনি,— নৎত্রা ইবেম্মা ?

রমেস :— কল্যানিনা করি হায়রমলিবা ?

গোপাল :— অদুবুরো বাবু,— ইবেম্মা বিনানা সিদা লৈবসি, ইবুংঙোগী মিংচৎ য়াম্না থিরে, বদনামনা রা রা লাওরে – অসিনচিংবা মানা খোকপা পংঙাংদা ঙাংলম্মী ।

ঐনা তাম্নহুনা ফুগে তোবদা ইবেম্মা বিনানা খাম্মী —।
চিনথিবী চিনগনবী অদুবু ... ...।
(বা ভাংনা চংথিবা)

রমেস ঃ— করি ! বিনানা মরম ওইদুনা ঐগী মিংচং থিরবা !
বদনাম ওইরবা। (ইশি শিনা নোক্লগা) হা ...
হা ... হা ... ঙসিগী ডগাং অসিদা, অচুম্বা মশক
খংনদ্রবা !

বিনা ঃ— ডাক্তরবাবু, ঐগীদমক্তা করিমতা খনবিরুগনু, ইরাই-
বক্তীনি ঐ চংচব্রগে ;— ঐনা মরম ওইদুনা নংগী
মিংচং থিহনজনিংদ্রে । ডাক্তর বাবু নংগী বাংলবা
শেংলবা থম্মোইবু ঐহনা মশক খংজে, — ঙসিগী মমিং
তাংলবা সমাজসিনদি খংবিরোই — ।

রমেস :— বিনা, তাও নংবু হেক পোকামন্নবা ইচলগুম্না নিংজবনি
অদুগীসু মথক্তা মতম চাদনা নোংগাখ্রবী, প্রাতমাগা
নংগা অসুক্তী মতিক মান্নে, নংগী নশক উবদা ঐনা
খনথি, নৈথিদ্রবী ঐগী প্রতিমানা ইচল অমগী শকতম
লৌদুনা লাক্লেদনা হায়না । অদুবু হৌজিক্তী সমাজ
অসিনদি ঐগী চন্নবা রাখলবু মিংয়েং লাম্না যেংলি।

বিনা ঃ— অদুনবু হায়জরিবসিনি ডাক্তরবাবু — ।

রমেস ঃ— অদুবু নংনা মফম অসি থাদোক্লুনা চংথ্রবসু, থোকলিবা
মিংচংথিবা অসিদি অদুমক হিংহৌরগনি, শিবা
নাইররোই ।

বিনা :— (মুড়াইতনা য়াম্না লায়না ইচম চমনা নোক্লগা)
হা ••• হা ··· হা ···· হা মদুদি য়াম্না লায়গ্রবা রানি ।

রমেস :— করমনা — ?

বিনা :— ঐনা সংসারদগী বিদাই লৌগ্রবদি — ?

রমেস :— বিনা !

বিনা :— মিংচৎথিবা পুম্নমক ঐগা লোইননা চৎলনিদনা ।

রমেস :— (লাংতক্লনা) তুশ্মিন্না লৈরো, মথা তাগনু ···· ।

বিনা :— ডাক্তরবাবু, ঐনা ঙসি ফাওবদা হিংলিবসি ইচাগীদমক্তনি । অদুবু ঐনা থাক্তে, ঐনা চৎগ্রবস্তু ইচাবু ডাক্তর বাবুনা মী অমা ওইহনবীগনি হায়না···।

রমেস :— বিনা, মদো মচা নুংশিবা খঙদবী, থম্মোয় পানদবীগী পান্দমান ।

বিনা :— ডাক্তরবাবু, মচাবু নুংশিবনা, মচাবু মাংহনবী মমা অমা ঐদি নংতে । মচাবু নুংশিবা মমাগী প্রেম, করিগনু চাংদম্লনি, অদুম ওইনমক মচাগীদমক্তা যনবা থনবদা মমা ওইবিগী ।

রমেস :— বিনা — !

বিনা :— ইচাবু নুংশি হাযদুনা ফদি ফগানা কুপতুনা ঐ থনবা পামজদে । ইরোইবা হৈবগা হৈতবগা ইরাকমিন্নদুনা শিবগুম ইমা ইচা শিমিন্নগন্রা ?

গোপাল :— বাবু ।

রমেস :— করিনো ?

গোপাল :— মী অমা লাকই — — —।

রমেস : — মপালদা ঙাইহাক ••• ··· হোই, হোই, হেক চংহল্লকউ।

গোপাল :— ফনি — ।

রমেস :— বিনা নংগী নচিল্লদগী থোরকপা রাতৈশিং অসি অরাংবা থাক্কী রাখললনি অদুবু মাওইনা পোক্লগা মী ওইনা হিংবা তাররবদি সংসারগী লানফমদা খুদোংথিবা কয়া নোক্লা নোক্লা মাযোক্লগদবনি ।

(কাহ্নাই নেশাদা তাওদুনা চংলকই, কাহ্নাইনা অহম হাযনা খৌদেম্মী)

বিনা :— (খাই লাওদুনা, শোনবা ওইনা) মাম !

রমেস :— চংবিরকউ —।

বিনা :— মাম — ।

কাহ্নাই :— মানি, ঐ নংগী মাম কাহ্নাইনি ।

রমেস :— বিনাগী মাম ওইবিরবরা ?

কাহ্নাই :— মানি ।

রমেস :— চেয়ারদা ফম্বীয়ু ।

কাহ্নাই :— য়ারে ইবুংঙো, — বিনা মামনা নংগী থোঙ্গুল রান লিররেদা,— অদুগা নহাকতি সিদা নিংঙাইদনা লৈথোকলম্মী —।

বিনা :— মামদি কৈদোবা লাকপিরিবা?

কাহ্নাই :— কৈদোবা লাকলিবনো হায়বা ? হা .... হা হা অঙাওবী,আ— খুঙংদগী— সি-তায়া রানা লাকলিবসি—

ইঙুগী মশক উদবগী লৈকুম চাকম খংত্রবুনা মংখা ইঙুগবু লোবা লাকলিবনিনে — । লাকও, লাকও চৎলসি। ইঙু গোবিনদি? গোবিন! গোবিন! ইখৌ লাকলে, লাকও চৎলসি — ।

বিনা :— গোবিন লৈতে, কুলদা চৎখি — ।

কাহ্নাই :— কুলদা! অদুদি চৎনু বিনা, ইঙুবু কৌক — চৎননবা তৌরসি।

বিনা :— ঐ চৎলোই — ।

কাহ্নাই :— চৎলোইদবা! কদায়দা চৎলোই?

বিনা :— চৎলোই হায়জরিবনিনি — — ।

গোবিন :— (চংঙক চংঙরা) ইখৌ, ইখৌ,— ।

কাহ্নাই :— না — ইঙু লাক্লেদবা, — গোবিন, লা লা ইখৌ পমগে।

বিনা :— (মচাবু ক্বাবগী মওংদা) গোবিন চৎখিনু ।

কাহ্নাই :— বিনা, নংনা ইঙুবু কুলদা চৎখি হায়বদাই, কদায়দা ওইদবা ভাংলিবনো ।

বিনা :— থীনখা সংসারসিদা মামনা চিংয়োলগী মাইখুম হাপ্লগা ঐবু লোবা লাকলি, — অদুগা ওইদবা থীনখা হায়বদা থোক্লেনা ।

কাহ্নাই :— হা ··· হা ··· হা কাহ্নাইগী মমোৈদি হায়বদা দুজিক চাই অদুবু বিনা চৎনবা তৌদি ।

বিনা :— ঐ চৎলোই — মাম চৎলিবো।

কাঙ্গাই :— ঐগী ইস্তুং ইল্লবদি, মমা মচাগি কুকিং চল্লুনা হিংগদৌ-রিবরো ?

থিনা :— মহুৎশিনবগী কাবিগনু। ঐ থিং তানরি, থোং থুং তেকত্রে। ঐমগী নতুং ইন্দুনা পার্থকী চিল্লাকপিং অমু চাহুনা হিংগদবগী শক্তকথুদি দৈলাক চিকহুনা খাংজগে — কংহুনা শিবা তাববসু শিজখিগে —, মাদু চংপীরো — ।

কাঙ্গাই :— মতু হেক্তা য়াবরবে। মামগী ইবেম্মা — নং অমদি লুং-শিগ্রবা ইত্তুনা চাদ থকতবদগী কংহুনা শিবদু নংগী মামনা কবম্মা য়েংগনি, নংগী মামবু মীনী মথাংদা য়োমগে হায়রিবরাও — ? লাঁওনে চৎসি ।

থিনা :— মাম, ইমা ইঁচানা মামগী নাকগী নানথোক্তুনা কন্থিগী-মমক্তা চেনখ্রিবনো, মামবু নিংশিংনা ঙমদ্রবরা ? অঁতুগম্ব' ঙসি ঐগী থৌংগুল লিবিবরি !

কাঙ্গাই :— থিনা ।

থিনা :— মুপি ওইবি ঐগী ইজৎ য়োমথোক্লমগা, মামগী নেণাগী থঁচ তৌগে থম্রিবনৌ, অঁবৈশনি — চৎপিনো মাম । ঐবু অঁবাবা অঁমুক পিবিরগনু ...... ।

কাঙ্গাই :— করি, নংনা চংজরদি ঙমগদরা ?

থুমৈ :— তাবিদু, মপানা য়ানিংহুবদি মপা-হাক্কা পুংগী বাখলদি তৌবিগনু । মহুনা ঙমবা ওইরোই ।

কাহাই :— কনাদো ইকুদো নুং নখৌ নজ্জা নখৌ শাক্তিবা নত্তু, কনাদো ? ঐনা চৌথিক পুলিশকী মতে ঙোঙনা বিনাবু কা-থুমুনো পুক্কচি নংনা থিংবা [illegible] ?

কমেস :— অদুগা নহাক অচিনবি [illegible] ? নেশা চাশি-নগা ঐগী য়ুমদা চংলকপগী পুলিশ কৌরগা কনবু থুদক্কা লোকপগা নমশিল্লখদি ··· ··· অদুবু নহাক অসি বিশাগী মাখবি চুয়্যবনা মতু যথেংদি নম্রাই ঙংবিরগে । অদুনা য়ুমসিদগী ইক্লেননা চংপীহৌ । বিনাদি য়ুমসিদগী চংলোই ।

কাহাই :— খংউ, মহাক অসি নুপ্রাবী [illegible] মপামদা হয়কপদগী ঐনা আতোপ্পা নিপা অমদা অমুক থাম্ম - য়োনজম্রবনি

বিনা :— মীনখ্নাল,– নমথাক্তি ।

কমেস :— নেশা খরা চাশিল্লগা, [illegible] শাহুনা, থেং-অরবী নমৌ বিনাবু ফংতবা মিংখোল পিরগা পুথবা গোংনবদি তোগন্ন ।

কাহাই :— [illegible] নেশা [illegible] – [illegible] [illegible] । [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] নঙী কুমি [illegible] [illegible] ?

কমেস :— হুকপুদি করিম্ব চৈতে । [illegible] মথোয়গুম্বা মীশকশিং [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] । [illegible] [illegible] [illegible] ? [illegible] [illegible] নৈথাক্তা মতম [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] মাং-

খিবগুম ভারত লৈপাকসু মেশ্যুদা-খুদো লৈখা ভাবা খাংবা তারে হায়দুনা "নেশাবন" হায়না ভারত লরকারদা লাওখিবসে ? অসিমসা থংগু ভারত মহালাগরদা ইরাক-নব্বা মী অহুবুদি কমবা ওবা খাই, মু কপ্ অমদা জুম্নবা মী অহুবুদি খাগী হিংনিংঙাই লবী লৈতে।

কাহ্লাই :— ঐ নংগী লেকচর তাবা লাকপা নত্তে, ঐদি ঐগী ইমৌ বিনাবু লৌবা লাকপনি।

রমেশ :— ঐনা হায়রিবসিনি,- নম হাদুনা বিনাবু পুবদি য়ারোই, বিনা খুমসিদা লৈগনি —।

কাহ্লাই :— অচুক নাপল তৌদুনা হাংলিবা মহাক বিনাগী কনানো ? খুম্ম, কবিগী তুমিন্না লৈরি ? মরম লৈতনা মচা চেনবি ইমৌ খুপিবু নংগী মনাক্তা থম্বা য়াবরা ?

বিনা :— মাম ?

কাহ্লাই :— বিনা, নংগা মাগা কবি মবি থোক্কদুনা মহাক অসিনা কবিগীদমক্তা থাহে খুবাম চাউনা হাংলিবনো ?

বিনা :— মাম —।

কাহ্লাই :— মাহংশিং অসিগী মত্তিক চাবা শাওখুম পিত্রবদি নং শিম লৈহৌবা য়ারোই, খুম্ম — নংগা মাগা কবি থোক্কে ?

বিনা :— (শাওনা) মাম —।

কাহ্লাই :— ঐনা খুম্ম হায়রিবসিনি, — মৎত্রবদি লৈহৌবা য়ারোই।

বিনা :— ঐনা শাওখুম্ম পিগনি, ঐ অসি মহাকী পুক্নিংগী লোইজবি ওইরবনি —।

কাহ্নাই :- -- করি হায়রবা -- !

রমেস : — (ওক্রা) বিনা !

কাহ্নাই :- অচুম্বনিকো বিনা ?

বিনা :— অচুম্বনি লেংবিরো।

কাহ্নাই :— খংগনি—কয়াম কুইনা লৈবা চম্বগে য়েংসি।—

(ভাংনা, ভাংনা চৎখিবনি মতুং)

রমেস :— (শাওনিংবা) বিনা, করি বাথলনো ?

বিনা :— (ইকাইনা অমদি থম্মোই তনিকপ থোক্লেননা) ডাক্তর বাবু এ নংগী নফমদা লানখ্রে, য়াম্না লানখ্রেনে ডাক্তর।

(হিক্রা হিক্রা কপ্পা)

রমেস : — বিনা কলাানিনা হায়রম্বা, লৈপাক্লা ভাংনরিবা পুন্নমক অসি নংনা অচুম্বা ওইহল্লবা ... ... !

বিনা :— ডাক্তর বাবু ... ... ।

রমেস :— নহাক অসবু হেক উকবদা নংগী শকফম্না ঐগী লৈখিদ্রবি প্রতিমাবু নিংশিংহনখি; অমরোমদা নহাক অসি কনা লৈজদ্রাব অমনিকো খল্লুবদগী ইচলমকনি খনদুনা অওম্বা ইতেং পাংলমগে হায়দুনা য়ুমসিদা থমলুবনি। অদুবু ঐ অসিবু লম্বী শোরোক্লা ফিরুক শুমদুনা চৎহনগদৌরি, মহুরা নংগী তৌবিমল ?

বিনা :— ডাক্তরবাবু !

রমেস :— থম্মোই শেংনা নংবু ইচলমকনি থনজন্থনা ঐনা নংবু থবক তৌহনগদোবনি, নচা অসিবু শান্তিনিকেতোনদা থাগে হোৎনরিবা পুম্নমক অসিগী মহৈ নংনা ফংহন-লোইদোরে। নংনা ঐবু মশাগী ওইজবা থিবা শা অমা ওইহল্লে— মসিরা, নংবু নক্করুবগী মহৈদি ?

বিনা :— (হিক্রা, হিক্রা কপতুনা) ডাক্তর বাবু। ঐনা নংগী নফমদা মীনমখিবা অসিগী হেরাল নংনা ভাকপিয়ুকো। মীনম্বা রাহৈ থরসি শিত্তিম্বমদ্রবদি যৎত্রবা মামগী মখুৎতগী ঐনা করম্না নানথোকহৌবা ঙমজগনি। থনহুনা য়েংবিয়ু ডাক্তর বাবু নামনা ঐবু পুখিরম্বা তারবদি ইমা ইচাগী পুন্সি অসি করি ওইগনি।

(হিক্রা হিক্রা কপ্পা)

রমেস :— বিনা !

বিনা :— ইচা অসে মাগী লিচৎ লৌরকতুনা অস্থুম মাংলগদবনি— অহুগা ঐ অসিবুনা মাগী শেল তালহম্নবগী খুৎলাই ওইনা করম্বা মথলগী খুৎলাইনো থংলবরা ডাক্তর, ঐ অসিবু শেনজাও পায়বা কারবার রালা অমদি অফিসকী অচৌ অশাংশিংগী মনাকতা পুগনি, মুপাগী পুন্সিবু শায়পোৎকুমনা থনবা নথোই অহুনা মুপাগী ইচ্চৎ নৈবদা শেলবু ঊনাগুমনা থনগনি। থল্লুবদা তুজুংবা থৌদোকশিংদ্রদগী নানথোকচহৌনবা, ঙসি ঐনা মিনমখিবা- মদুগীদমক্তা নহাক্না ঐবু ভাকপিয়ু।

রমেস :— বিনা !

বিনা :— ডাক্তরবাবু। (থম্মোই শোকনা কপতুনা) ক্বার্সিগী শাগাইদা কাথংলবা মুপী অমবু মাগী মথক্লাই কনবিন বগীদমকতা, ডাক্তরনা মুপী অসি গর্ভবতি ওইরবনি হায়বদগী অমুকতংগী ওইনা মথক্লাই কনবিখি হায়-বদাইনে ? ডাক্তরবাবু. মংগী নপালদগী ভসি ধর্ম্ম মাংদবী মুপী অমা ওইজবা ভমহৌরে,—নহাকী লমনদি মপোক মপোক খুদিংদা তোল্লগদবনি।

রমেস :— বিনা— !

বিনা : — (হিক্লা হিক্লা কপতুনা হায়রজবা মওংদা) ডাক্তরবাবু, ঐবু থাজবিয়ু। মতুংসিদদি অমুক হন্না নংগী নকমদা ওংলরোই— নঙোন্দা য়েংলরোই ডাক্তর বাবু। ইশাগী ওইজবা, কান্নবা খজিকতং য়েংলুবদগী নংগী লংলবা মংচংপু ঐনা মকহনখরে অদুবু অমুক হন্না ঐনা ওংলরোই – ঐগীদমকতা কোক শাহনজররোই। (থম্মোই শোকনা কপতুনা) ডাক্তর বাবু রাখল থেনবী নচলনি খনবীদুনা অরোইবা ওইনা ঙাকপিয়ু ডাক্তর।

—ঃ ম্যুজিক ঃ—

গোপাল :— ভেরি গুদ ! অদুনিদনা, নহৈ তম্বগী মতমদা নহৈ, শান্নবা মতমদা শান্নবা !

গোবিন :— খুরা, ইমাদি ?

গোপাল :— ইমা হংগনু, — শান্নবা মতমদা শান্নবা লাইব্রিকী— মতমদা লাইব্রিক খংলেদনা ?

রমেস :— (হরাওনা) গোবিন নং লাইব্রিক পাব্রিবর' ? গুদ বোই ! গোপাল, বিনাদি ?

গোপাল :— নৈরমগনি — কোঁজরু হায়বরা ?

রমেস :— উম, য়েংডোই গোপাল, ঙসি নিনি হুমনিগী মনুংদা মাষ্টর গোবিন এরোপ্লেন তোংদুনা পাইথ্রগদবনি।

গোপাল :— কদ'ইদা ?

রমেস :— কলিকতাদা। শান্তিনিকেতনদা মহৈ তম্বা চংথ্রদবনি; চৎলু বিনা কোরু। উরবরা শে, ঙসি টেলিগ্রাম লাক্লবনে।

গোপাল :— হা ইবুংঙো ! ঐ, ইবেম্মা বিনাবু কোথোকচকুখিগে।

রমেস :— বিনা। বিনা! গোবিন।

গোবিন :— য়েস; অঙ্কল !

রমেস :— নং হয়েং চাথ্রগা করি শুইগনি ?

গোবিন :— ঐবু ?

রমেস :— হোইবে, করি ওইনি ?

গোবিন :— আ... ... ... আ ... ।

রমেস :— ঐনা করি হায়। ... ... নিংশিঙউ।

গোবিন :— নৈপাকী লুচিংবা।

রমেস :— য়েস—করেক্ট।